www.sanaleibak.in

# সনালৈবাক
SANALEIBAK

PROGRESSIVE JOURNALISM

24 Carat/g : ₹ 15,089 | 22 Carat/g : ₹ 14,265 | 1 Kg Silver : ₹ 2,35,000 | 10 Gram Silver : ₹ 2,550 | WEATHER: Scattered Thunderstrom | Temperature 28/23°C | Sunrise: 04:44 AM | Sunset : 05:57 PM | Petrol : ₹ 106.87 | Diesel : ₹ 92.57 | GAS TODAY Page 2 | sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 248 | IMPHAL, MONDAY, AUGUST 17, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ | নিংথৌকাবা, থৱানগী ৫ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

# এসেমব্লী সেসন মাঙওইননা মিনিষ্টর রিসফল, এক্সপান্সন তৌরবা য়ানা লৈরে

## এন বিরেন, সত্যব্রতা, গোবিন্দাস, জয়কিষন ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (এস এন এস)ঃ লাক্লিবা সেপ্টেম্বরগী অহানবা চয়োলদা পাঙথোক্কনি হায়না পানরিবা ১২ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী ৮শুবা সেসনগী মাঙওইননা মণিপুরদা মিনিষ্ট্রি এক্সপান্সন অমসুং রিসফল তৌরবা য়ানা লৈরে। হান্নগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী স্পিকর থোকচোম সত্যাব্রতা, হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম অমসুং থাং মৈবন্দ এ সিগী এম এল এ খুমুকচম জয়কিষন ঙসি দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী হৌরগা মণিপুরদা থোক্লকখিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা নোংথোম্বম বিরেননা চীফ মিনিষ্টর ফম থাদোকখিবদগী প্রসিদেন্ট রুল থমদুনা লাকখিবনি। মদুগী মতুং চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৫দগী খেমচান্দনা লুচিংবা বি জে পিগী অনৌবা লৈঙাক অসি লাকপদগী চীফ মিনিষ্টর, দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ২ য়াওনা হোম মিনিষ্টর অমসুং আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর পূন্না মখোয় ৫ খক্তমক ৱাশক লৌরগা ঙসি ফাওবা কেবিনেট এক্সপান্দ তৌবা ঙমদনা লাকখিবনি। অনৌবা লৈঙাক অসিগী থা ৬ মপূং ফাখ্রবা ফাওবা লৈরিবা কেবিনেট মিনিষ্টরগী এক্সপান্দ তৌবা ঙমদবা অসিনা লৈঙাক পায়বদা য়াওরিবা এম এল এশিংগী মায়কৈদগী ফাওবা তোঙান–তোঙানবা প্রেসর কয়া পীনরকপা লৈখ্রবনি।

ঙসি ইম্ফাল থাদোকখিবা এক্স সি এম বিরেন্দা খোঙচৎ অসিগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংলুবদা দিল্লিদা চৎপনি খক্তমক হায়রল্লগা অহেনবা ৱাফম থল্লমখিদে। অমরোমদা, হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাসতা পাউমীশিংনা মহাক্কী খোঙচৎকী হংলুবদা মহাক্তি দিল্লি চৎপা নত্তে হায়না খুল্লমখি। অদুবু অতোপ্পা পাউ অমদদি ঙসি ইম্ফাল ...মখা লমায় ৫দা...

# মৈরা রেল্লি চৎপা, দি সিশিংদা থোমজিনবা য়াওনা জে এফ দিগী খোঙজং লাউথোকখ্রে

## অরৈবা পান্থে খূদিংমক শীজিন্নরগা সেন্সস থীংমিন্নসিঃ জিতেন্দ্র



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (এস এন এস)ঃ হয়েংদগী হৌরগা সেন্সসকী সেল্ফ ইনুমরেসন চথবা হৌগদৌরিবা অসিগী মায়োক্তা জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে এফ দি)না শীন্দুনা মফম কয়াদা মৈরা রেল্লি চৎখ্রে।

ঙসিদগী হৌনা মৈরা রেল্লি চৎপা, দি সিশিংদা সেন্সস য়েথোকহন্নবা দিমান্দ তৌদুনা থোমজিনবা অমসুং ইনুমরেটর অমসুং সুপরভাইজর ওইগদৌরিবশিংগী মথক্তা মীয়াম্না অরৈবা পান্থে শীজিন্নরগা সেন্সস তৌহন্দনবা হোৎনসি হায়না জে এফ দিগী কনভেনর জিতেন্দ্র নিঙোম্বনা ফোঙদোকখ্রে।

জে এফ দিনা লেপ্তুনা চথরক্লিবা খোঙজংগী মখা চথরকপা ওইনা ঙসি ৱাংখে অঙোম লৈকায়দা লৈবা ৱাল য়ুনাইটেদ ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা জিতেন্দ্র নিঙোম্বনা হায়, এন আর সি তৌদনা সেন্সস তৌবা য়ারোই হায়না জে এফ দিনা অহিং ...মখা লমায় ৫দা...

# ইন্দিপেন্দেন্স দেগী মহুৎতা নো হোম টু সেলেব্রেট ওইনা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (এস এন এস)ঃ লৈবাক শীনবা থুংনা ৮০ শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোক্লুরবসু রিলিফ কেম্পশিংদদি অমুবা মচুগী ফিরাল চিংখৎতুনা নো হোম টু সেলেব্রেট হায়বা ওইনা পাঙথোক্তুনা আই দি পিশিংগী খোঙজং চঙশিনখ্রে।

পনবা য়াবদি কুমজা ২০২৩ গী মে ৩ দা কুকি টেরোরিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপ্পুনা অমদি য়ূম মৈ থাদোক্তুনা তান্থোরকপদগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা ঙসি ফাওবা আই দি পি কয়া ময়ুম হঞ্জিনবা ঙমদনা লৈরকখিবনি। চহী অহুম হেল্লবা ফাওবদা মশা–মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিনহনবা ঙমদনা লৈরিবা অসিনা মরম ওইরগা খোইশাউনরবা আই দি পিশিংনা মখোয়না লৈরিবা রিলিফ কেম্পশিংদা অমুবা মচুগী ফিরাল চিংখৎতুনা খোঙজং চঙশিনখিবনি। ...মখা লমায় ৫দা...

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

অপঙবগী অশোয়বা চুমথোক্লনু নহাকপু
তাথিরক্কনি অশিংবগী অশোয়বা
তাকপনা নহাকপু থাগৎলক্কনি

## কোকোমিনা কন্দেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (এস এন এস)ঃ হৌখিবা আগষ্ট ১৪ গী অয়ুক পুং ৭.৩০ রোম তাবদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লংকা ভিল্লেজ দা কুকি নার্কো টেরোরিষ্টশিংনা চথরকখিবা এস্নুসতা লিয়াংমাই মীচম ২ হাৎখিবা অমদি ৩ না অশোক অপন নংখিবগী থৌদোক অদু কোকোমিনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। হৌখিবা জুন থাদা লিয়াংমাই ...মখা লমায় ৫দা...

# সেন্সস দিরেক্টোরেট ছো লোনশিনবগী খোঙজংদা ৪ শোক্লে ‘পুং ২৪গী মনুংদা দি এস পি ধিরজ সস্পেন্দ তৌগদবনি’



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬(এস এন এস)ঃ হয়েংদগী হৌনা চথগদৌরিবা সেন্সসকী সেল্ফ ইনুমরেসন চথবা য়ারোই হায়না জে এফ দি ষ্টুদেন্টস ৱিংনা পোরোম্পাৎতা লৈবা দিরেক্টোরেট ওফ সেন্সস ওপরেসনগী গেটতা খোঙজং চঙশিনখ্রে। পুলিসকা মুক্লবদা খোঙজংলোই ১ মখোঙদা মোব বোমনা পানবদগী শোক্লে, ৩না ৱান্থদুনা লায়কন্নখ্রে।

মহৈরোইশিংদা অহেনবা পৱার শীজিন্দুনা অশোক অপন নংহনবদা চেন্নবা দি এস পি ধিরজ পুং ২৪গী মনুংদা সস্পেন্দ তৌগদবনি নত্রবদি হেন্না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না জে এফ দি ষ্টুদেন্টস ৱিংগী কনভেনর নাওরেম ৱাঙম্বনা ফোঙদোকখ্রে।

এন আর সি তৌদনা সেন্সস তৌবা য়ারোই ...মখা লমায় ৫দা...

# পূন্না নুংশিননা লৈবা ৱাত্ত–পাদবা মণিপুর ওইনবা হোৎনমিন্নসিঃইবোমচা

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (এস এন এস)ঃ লমদম অসিদা পূন্না নুংশিননা লৈমিন্নবা, ইং–তপ্পা, ৱাত্ত–পাদবা মণিপুর ওইনবা হোৎনমিন্নসি হায়না লম্লাই এ সিগী এম এল এ খোংবান্তাবম ইবোমচানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ফেদরেসন ওফ হাওমীনা শীন্দুনা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিদা পাঙথোকখিবা অহানবা ইন্দিজিনস ফোক ফিষ্টগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরমগী অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা এম এল এ ইবোমচানা মখা তানা হায়খি, লৈমিন্নরিবা পূন্নমক নুংশিননা ইংনা চিক্লা ...মখা লমায় ৫দা...

## কে জি ৫.৮ লোমগী দল্লিয়ু ৱাই টেবলেট ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (এস এন এস)ঃ সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নেসনেল হায়ৱে ২ গী সেনাপটি পি এসনা কোনবা খোংনেম থানাদগী পেকেট ১৩ রোমদা য়াওরকপা চাউরাক্লা কেজি ৫.৮ লোমগী ওইগদবা দল্লিয়ু ৱাই টেবলেট ফাবা ঙমখ্রে হায়রি। ...মখা লমায় ৫দা...

# ইং–তপ্পা মণিপুর ওইনবা লৈঙাক্লা লৌখৎপা খোঙথাংদা অমত্তা ওইনা চৎমিন্নসিঃ ৱাই খেমচান্দ



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬(এস এন এস)ঃ লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা তোঙান–তোঙানবা ফুরুপশিং অমগা অমগা নুংশিনবা অমদি থাজনবগী মরী অদু শাগৎলগা ইং চিক্লা হিংমিন্ননবা মথৌ তাই। ইং তপ্পা ওইহনবা হায়বসি চাওখৎ থৌরাং লৈহন্নবগী য়ুম্ফম অমনি। তুং কোইনা অমগা অমগা থাজনবা অমদি নুংশিননা লৈমিন্ননবা হোৎনবদা ফুরুপ খূদিংমক্কী থৌদাং চঙই হায়খি।

ইন্দিয়ানা নীংতম্বা ফংখিবগী ৮০ শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম ষ্টেটকী থাক্তা অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পেরেদ গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা গার্দ ওফ ওন্নর ইন্সপেক্ট ...মখা লমায় ৫দা...

## লোইরেদনা

সনাখ্যা, মৈত্রবাকসে পুমচাই
হেক চাইদকো



চাইনি, ইপু চেদা চীন্দা খক মরৈবাক
নীংবা, মী য়ান্না লৈরি..

## কাদর অনি ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (এস এন এস)ঃ সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ৱাহেংবম মোমোচা (৩৮) এলাইজ লোয়া কৌবা প্রিপাক (প্রো) গী কাদর অমা ফারে। মহাক ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকি মনুংচন্না লৈবা তাউথোং মমাং লৈকায়দগীনি। নাকল অমরোমদা ঙাঙোম শান্তা মৈতৈ এলাইজ মাইকেল (৪৫) কৌবা য়ু এন এল এফ ...মখা লমায় ৫দা...

## আর পি এফনা শেংদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (এস এন এস)ঃ থা অসিগী ১৪ ইরাই নুমিৎতা সি দি ও বিষ্ণুপুরনা খ্বাইরাকপমদগী ফারে হায়না মণিপুর পুলিসকী ফেসবুক্তা ফোঙদোকখিবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ৱার্দ নম্বর ১০ চীংদোং জয়পুর খুনৌদগী লমাবম রাহুল এলাইজ মৈরাবা (৩২) হায়রিবা ...মখা লমায় ৫দা...

# অথৌবা পেবম চিত্তরঞ্জনগী মফমদা মীয়াম্না হৈকৎ–লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে




ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬(এস এন এস)ঃ মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)না শীন্দুনা ২২শুবা অথৌবা মহৈরোইশিংগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্তুনা লৈখিদ্রবা অথৌবা পেবম চিত্তরঞ্জনগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা মীয়াম্না ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে। অথৌবা পেবম চিত্তরঞ্জননা লৈখিদবা নুমিৎ নীংশিংদুনা তখেল্লম্বম লৈকাই য়ুথ ক্লব (টি ৱাই সি) ক্বাকৈথেলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম এস এফকী প্রসিদেন্ট হিজম রোশননা হায়, ইনি দয়ানা লমদম ...মখা লমায় ৫দা...

## হেক্তা হায়জিনবা

## চোকথরবা নাকোং

তাবদা চোকথরে নাকোংসে
লশিং মেন্দুনা খাঙনিংলে
নোংমনা অমা ঙাঙ
নোংমনা অমা ঙাঙ
তাবদা চোকথরে নাকোংসে
শান্তি হঞ্জিল্লক্লেদি পঙহায়দা হায়
মী হাৎপদি ইরেপ লেপ্তে
চীংদদি অদুম হাৎলি
চীংদদি মৈ অদুম থারি
শান্তি হঞ্জিল্লক্লেদি পঙহায়দা হায়
নেসনেল হায়ৱে থিংদ্রে হায়
বস থারনি পঙহায়দা হায়
থবক ওইনদি তৌদে
তমগী নোংমৈদি খোমগৎলি
চীংগী নোংমৈদি মেন তাদে
নোংমনা অমা ঙাঙ
নোংমনা অমা ঙাঙ
লশিং মেন্দুনা খাঙনিংলে
তাবদা চোকথরে নাকোংসে

# মীৎ নারেদকোঃ খোঙ্গ্রায় শৎলিঙৈদা ষণনা ৱাইখিবা তারব্রনে

*নেপ্রম কৃষ্ণমোহোন*

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ঃ ঐখোয়নদি লাননি হায়না লৌনরিবা অদুগা সেন্টরগী লৈঙাক অমদি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনদি কাংলুপ মশেলগী ৱাথোক্লি হায়রিবা হিংশাগী থৌদোকশিং অসি ঙসিদি চহী অহুম থা মরিরোম শুরে। অদুবু ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদি ঙসি ফাওবা ঙমদ্রি। বি জে পিনা লুচিংবা দবল ইঞ্জিন লৈঙাক্লা মণিপুরগী য়েলহৌমী ফুরুপ অমদি মীয়ামদা য়েংলিবা মীৎয়েং তৌথোরক্লিবা থৌওং কয়া অসিনা ঙসিদি খোঙ্গ্রায় শৎলিঙৈদা ষণনা ৱাইখিবা হায়বদি থৌশাদ্রিঙৈদা য়েক্লবনা ঙমখিবা হায়দু তারব্রা হংনরক্লে। লোয়ননা হিরম খূদিংমক্তা মীৎ নারে হায়নরক্লে। কনানা চুমদৌরি কনানা লানদৌরি খঙনদ্রে করি ওইগনি তম্বা ঙমদবগী ফিভমদা লৈরেদনা।

কুমজা ২০২৩গী জুন থাদা ফোঙখিবা হঞ্জবম গোকুল (পিশক) শর্ম্মনা মণিপুরীদা হন্দোকপা মপুং

## সনালৈবাক্কী মপাউ

ফারবা চানক্য নীতি অমসুং সত্রশিং হায়বা লমায় ৩০৩ পানবা লাইরিক্কী ১৪শুবা অধ্যায় রাজতন্ত্র–লৈঙাক্লোনদা অসুমনা হায় কোদঃ লৈবাক্কী মকোক্লা মশাবু মতিক চাবা ওইহল্লবা তুংদা মন্ত্রী (মিনিষ্টর)শিংগী মতেং লৌরগা শাসন তৌগনি (লমায় ২১৪), অদুগা ১২শুবা অধ্যায় মৈত্রী–মরুপ শান্নবা মরুপ ওইন্নবগী লমায় ২১০দা করিগুম্বা মরম অমদগী মরুপসু য়েক্লবা ওইরকই অদুগা য়েক্লবসু মরুপ ওইরকই। অন কোদ–ৱাফমশিং অসিমক হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিদা ওন্থোক্লা চুশিন্নখ্রে। লৈঙাক অসি লুচিংলিবা চীফ মিনিষ্টরনা অতৈ মিনিষ্টরশিংগী মতেং লৌরগা লৈঙাক থৌদা পুরিব্রা, লৈবাক মীয়াম্না য়াদবা থবক কয়াম তৌখ্রে, মরুপ্পা য়েক্লবা ওইখিবা অদুগা য়েক্লবনা মরুপ ওইরকপা য়াওখ্রবরা নত্রগা পূন্নমক অসি চুক্লি কনাগুম্বা অমনা পুল্লপ পায়শিনখ্রবা জাৎলা। অদুননি খোঙ্গ্রায় শৎলিঙৈদা ...মখা লমায় ৫দা...

SBI
State Bank of India
Central Recruitment & Promotion Department
Corporate Centre, Mumbai
Phone: 022-22820427

Scan QR to Apply

**Recruitment of Specialist Cadre Officers on Contract / Regular Basis**

Applications are invited from eligible Indian citizens for the following posts on Contract/Regular basis:

**Advertisement No.: CRPD/SCO/2026-27/11 (Contractual position)**

| Name of Post | Vacancy | Age (As on 31.07.2026) Min | Max |
|---|---|---|---|
| Deputy Vice President (DVP) – Cyber Innovation & Simulation Lab | 1 | 35 | 45 |
| Deputy Vice President (DVP) – Citizen Centric Initiatives | 1 | | |
| Deputy Vice President (DVP) – Cyber Security | 2 | | |

**(Regular Position)**

| Name of Post | Vacancy | Grade | Age (As on 31.07.2026) Min | Max |
|---|---|---|---|---|
| Deputy Manager- AI- Specialist | 25 | MMGS-II | 25 | 35 |
| Deputy Manager- Cyber Security Analyst | 3 | | | |
| Deputy Manager- IT Security Expert | 2 | | | |

**Advertisement No.: CRPD/SCO/2026-27/12 (Regular Position)**

| Name of Post | Vacancy | Grade | Age (As on 31.07.2026) Min | Max |
|---|---|---|---|---|
| Manager (Manpower Planning & Recruitment) | 1 | MMGS-III | 28 | 40 |
| Manager (Learning & Development) | 1 | MMGS-III | 28 | 40 |

**Advertisement No.: CRPD/SCO/2026-27/13 (Contractual Position)**

| Name of Post | Vacancy | Age Min | Max |
|---|---|---|---|
| Vice President (Enterprise & Technology Architect) | 1 | 40 | 48 |
| Deputy Chief Technology Officer (Enterprise Architecture) | 1 | 42 | 50 |

For eligibility criteria (age, experience, job profile etc.), vacancy details, requisite fees, other details and for online submission of application as well as online payment of application fees log on to Bank's website https://sbi.bank.in/web/careers/current-openings. Refer detailed advertisement to ensure eligibility and other details before applying and remitting fees. For any query, please write to us through link **"CONTACT US" → "Post Your Query"** which is available on Bank's official website (https://bank.sbi/web/careers/post-your-query)

- **DATE FOR FILING ONLINE APPLICATION & PAYMENT OF FEES: FROM 07.08.2026 To 27.08.2026.**

Place: Mumbai
Date: 07.08.2026
General Manager (RP & PM)

SIR
SPECIAL INTENSIVE REVISION 2026

Chief Electoral Officer Manipur




HAVE YOU RECEIVED A NOTICE? SUPPORT IT WITH THE REQUIRED DOCUMENTS DURING THE HEARING:-

Indicative list and not exhaustive

- Any Identity card/Pension Payment Order issued to a regular employee/pensioner of any Central Govt./State Govt./PSU
- Any Identity card/Certificate/ Document issued in India by the Government/ local authorities/ Banks/Post Office/LIC/PSUs prior to 01.07.1987
- Birth Certificate issued by the competent authority
- Passport
- Matriculation/Educational certificate issued by recognised Boards/Universities
- Permanent Residence certificate issued by the competent State authority
- Forest Right Certificate
- OBC/SC/ST or any caste certificate issued by the Competent Authority
- National Register of Citizens (wherever it exists)
- Family Register maintained by Govt. officials under any Statutory/Administrative Regulation
- Any land/house allotment certificate by the Government
- For Aadhaar, the Commission's directions issued vide letter No. 23/2025-ERS/Vol.II dated 09.09.2025 (Annexure II) shall apply

Disposal of Claims and Objections
5th August 2026 - 2nd September 2026

For more information, approach your **BLO** or call **1950** or through the **ECINET App** to Book a call

Chief Electoral Officer, Manipur | www.ceomanipur.nic.in | Follow us on:

# থক খা নাইনা চৎপা খুন্নাই অসিগী চৎন–লোনচৎশিং মীরোল অসিনা খক কাউরোইদবনি ঃ নিশিকান্ত

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (এস এন এস)ঃ অহল–লমনগী মতেং পাংবা হায়বসি খুন্নাই অসিগী চৎন–লোনচৎনি। থক খা নাইনা চৎপা খুন্নাই অসিগী চৎন–লোনচৎশিং মীরোল অসিনা খক কাউরোইদবনি হায়না কৈশামথোং এসেম্বল্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ শাপম নিশিকান্তনা ফোঙদোকখ্রে।

এম এল এ অসিগী থৌদা ভাবোক লৈকাইদা লৈবা ময়ুমদা ঙসি কৈশামথোং এসিগী অহল ওইরবশিং দা ওল্ড এজ পেন্সন কার্দ য়েন্থোকপা অমদি চহী অসিগী প্রসিদেন্টস মেদল ফোর মেরিটোরিয়স সার্ভিস ফংলকখ্রবা মণিপুর পুলিসকী সুবেদার সোরাইসম বীরলাবু তরান্না ওক্তুনা পূক্নিং থৌগৎপগী থৌরমদা ৱাফম অসি মহাক্লা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম এল এ নিশিকান্তনা হায়, চহী য়াম্লবা অহল–লমনশিংসু মশাগী ফুরিৎখাওদা হীদাক লাংথক লৈনবগী শেল য়াওবা হায়বসি তঙাইফদবা অমনি। মমা মপাওইবশিংনা মচা নুংশিবগা মচাশিংনা মমা মপা নুংশিবগা খেন্নবা লৈ। মমা মপানা মচাশিং নুংশিবা হায়বসিনা অদুমক হেন্না লুমগনি। থক খা নাইনা চৎপা হায়বসি খুন্নাই অসিগী চৎন লোনচৎনি। অহল–লমনশিংগী মতেং পাংবা হায়বসি ঐখোয় খূদিংমক্কী চৎন–লোনচৎনি হায়বসি খক কাউরোইদবনি। থক–খা নাইবা খুন্নাই অসিগী চৎন–লোনচৎশিং মীরোল অসিনা ঙাক্লা চৎপা হায়বসি তঙাইফদবা অমনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা কৈশামথোং এ সিগী বেনিফিসরি ৪১০ রোমদা ওল্ড এজ পেন্সন কার্দ অমদি বেনিফিসরি ২১৯ লোমদা নোংথাং লৈমা স্কিমগী খূদোংচাবশিং ফংহনখি।

# লৌমীশিংগী খোঙচৎ য়ৈথোক্লে ঃ ফার্মরস ৱিং

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (এস এন এস)ঃ লৌমীশিংদা ফংফম থোকপা কম্পেন্সেসনগী শেনফম পীথোক্তবগী মায়োক্তা থা অসিগী ১৮দা চৎকনি হায়না লাউথোকখিবা লৌমী মীয়ামগী খোঙচৎ য়ৈথোক্লে হায়না কোকোমি ফার্মরস ৱিংনা ফোঙদোরক্লি।

কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি) ফার্মরস ৱিংগী কনভেনর শ্যাম খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লাক্লিবা ওগষ্ট ১৭তগী মণিপুর গভর্নমেন্টনা নম্ফুদা সেন্সস পাঙথোক্লবা হোৎনরকপা জে দি এফ অমসুং অতৈ লুপ কয়ানা এন আর সি তৌদনা সেন্সস পাঙথোকপা য়ারোই হায়বা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লকপা অসিনা মরম ওইদুনা লাক্লিবা ওগষ্ট ১৮দা লৌমী মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ অমা চৎকনি হায়না মীয়ামদা লাওথোকখিবা অদু য়ৈথোক্লবা ফিরেপ লৌবনি। খোঙ চৎ অসিগীদমক অথুবা মতমদা অনৌবা তারিখ অমা লাওথোক্লক্কনি হায়খি।

# সেন্সস দিরেক্টোরেট ছো লোনশিনবগী খোঙজংদা...

*লমায় ১গী মখা...*

হায়না জে এফ দিনা চঙশিল্লিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা লুপ অসিগী ষ্টুদেন্টস ৱিংনা ঙসি পোরোম্পাৎতা লৈবা দিরেক্টোরেট ওফ সেন্সস ওপরেসনগী গেট মমাঙদা খোঙজং চঙশিনখ্রে। ঙসি নুংথিল পুং ১ রোম তারকপা অদুৱাইদা মহৈরোইশিং অদুনা দিরেক্টোরেটঅসিগী ওফিস ছো লোনশিন্নবা লাকখি। মদুদা গেট অদুগী মনুংদা হান্নদগী দিয়ুটি তৌদুনা লৈবা সেক্যুরিটি পর্সোনেলশিংগা অকনবা মওংদা মুক্নখি। তুংদা অহেনবা সেক্যুরিটি পর্সোনেলশিং লাক্তুনা গেট ছো লোনবা, গেট নম্বনচিংবা তৌদনা খঙহনখি। মদুদা নাকল অনীদা য়ান্নবা পুরকপা ঙমদবদগী খোঙজংলোইশিং অদুনা ওফিসগী গেট মমাঙদা ফমজিন্দুনা নো এন আর নো সেন্সস, নো আই দি পি সেটলমেন্ট নো সেন্সস হায়বনচিংবা প্লেকার্দশিং পায়রগা খোঙজং চঙশিন্দুনা লৈখি। তুংদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দি এস পি ধিরজনা লুচিংবা পুলিসকী টিম অমা লাক্লবা মতুং খোঙজংলোইশিং অদুবু তানখায়নবা হোৎনরকপদগী নাকল অনীদা অকন্না মুক্নবা থোকখি। মুক্নবা অদুদা পুলিসকী মায়কৈদগী মোব বোম শীজিন্নদুনা খোঙজংলোইশিং অদুবু তানখায়খি। মোব বোম পোকখায়বা অদুদা খাঙেম্বম পাইলোট কৌবা মহৈরোই অমা মখোঙদা শোকখি। অদুগা খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা মহৈরোইন নুপী মচা ৩ লোংজম রোজা, অঙোম দাইসি অমসুং পি ঐচ তরানা ৱান্থরকপদগী লায়কন্নখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা জে এফ দি ষ্টুদেন্টস ৱিংনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ৱাঙম্বনা হায়, জে এফ দি ষ্টুদেন্ট ৱিংনা লেপ্তুনা চথরকপা মখা তারকপা ওইনা ঙসিসু দিরেক্টোরেট ওফ সেন্সস ওফিসকী ছো লোনশিন্নবা খোঙজং চঙশিনবনি। মদুদা দি এস পি ধিরজনা লুচিংবা পুলিসকী অহেনবা থৌওংনা মহৈরোইশিংবু তানখায়খিবনি। খোঙজং অদুদা মহৈরোইশিংদি দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা চঙশিন্দুনা লাকখিবনি। অদুবু দি এস পি ধিরজনা মহৈরোই নুপী মচা ফাওবা খোঙবান্দা ইন্থবা অদুগা মোব বোম লংশিন্দুনা মহৈরোইশিংবু অশোক অপন নংহনবা হায়বসি খ্বাইদগী অরানবা থবক অমনি। লমদম অসিগী তুংগী মীরোল কন্নবা মহৈরোইশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজংদা অতম্ননা হাৎলগে হায়বা মতাগুম কন্থি ফুদোক্তুনা চথখিবা থৌওং কন্দেম তৌই। মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টনা অসিগুম্বা মহৈরোইশিংনা অহেনবা এক্সন তৌরিবা পর্সোনেল অসি খুদক্তা থবক্তগী সস্পেন্দ তৌগদবনি। করিগুম্বা তৌদবা থোক্লবদি মহৈরোইশিংনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি। জে এফ দি ষ্টুদেন্ট ৱিংনা হয়েংদগী হৌনা চঙশিনগদেরিবা অকনবা খোঙজং অসিদা স্কুল স্কুলগী মহৈরোই খুদিংমক্লা শরুক য়াবিয়ু হায়খি।

# অথৌবা পেবম চিত্তরঞ্জনগী মফমদা মীয়ান্না হৈকৎ ...

*লমায় ১গী মখা...*অসিদা চলাইরিবা ব্লেক লো, আর্মর্দ ফোর্সেস স্পেসিয়েল পাৱর্স এক্ট (অফসপা) ১৯৫৮কী মায়োক্তা কুমজা ২০০৪গী ওগষ্ট ১৫দা মশানা মশাবু মৈ থাজদুনা মীয়ামগী হ্যুমেন টোর্চ অমা ওইনা থৱায়না পোন্থা পীখিবা অথৌবা পেবম চিত্তরঞ্জনবু নীংশিংদুনা ঙসি ষ্টুদেন্টস মার্টিয়দম দেগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

মণিপুরনা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা চনখিবদগীনা ঙসি ফাওবদা মণিপুরদা থেঙখাং কয়া নাইনা খৎন–চৈনবা অমদি মীহাৎ মীপুনগী থৌদোক কয়া লেপ্পা লৈতনা চথরক্লি। ইন্দিয়ানা মণিপুরদা চলাইরিবা ব্লেক লোগী মরুমদা লমদম অসিগী মীওই কয়াগী পুন্সি খাঙুথক্তা পীখন্নহনখ্রবনি। মীচম কয়া যূমদগী থোকখিবদগী হল্লকখিদ্রে। ইন্দিয়াগী ওকুপেসনেল ফোর্সশিংনা লমদম অসিদা চথরিবা মীফা মীপুন অমদি তমথিবা মীহাৎকী থৌদোক ৱাথোক কয়া অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অথৌবা মপারী কয়ানা থৱায় ফাওবা কৎখ্রবনি। ইন্দিয়ানা মণিপুরগী মীয়ামদা য়েংলিবা মীৎয়েং অসি করিনো হায়বা ঐখোয় মুন্না খঙমিন্নবা মতম য়ৌরে। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মখা তানা তৌরক্কদবা এক্সন পূন্নমক পুন্না থেংননবা শেম শাবা মথৌ তারে হায়খি।

পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপুনবা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট সোরাইশম মেমচা, সেনিয়র এদভোকেট খাইদেম মণি, কম্মিটি ওন হ্যুমে রাইটস (কোহর)গী চেয়রমেন কোন্সম ফুলিন্দ্রো, ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী প্রসিদেন্ট শোরোকখাইবম সঞ্জয়, ওল মণিপুর ৱুমেন ভোলুন্টরি এসোসিয়েসন (অমৱোভা)গী প্রসিদেন্ট ৱাংখেম ইবেমা চনু, টি ৱাই সিগী প্রসিদেন্ট বোইবী পেবমনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অথৌবা পেবম চিত্তরঞ্জনগী ফোটোদা মীয়ান্না হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুন্নবা উৎখি। ২২শুবা অথৌবা মহৈরোইশিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা ইম্ফাল কোলেজদগী হৌরগা তখেল্লম্বম লৈকাই, টি ৱাই সি ক্লব ফাওবা মীয়ামগী ওইবা ৱা ঙাংদবা খোঙচৎ অমসু চৎখি।

# পুন্না নুংশিননা লৈবা ৱাত্ত–পাদবা মণিপুর ...

*লমায় ১গী মখা...*

লৈমিন্নবা পামজে। মতম অমদদি লমতু হাংলম্মী, মী মশীং য়াল্লমদে। মদুদা থোইদোকপা ইন্দিজিনসনা কনানো, ইন্দিজিনস নৎত্রগসু লোগী মতুং ইন্না লৈফম থোকপা কনানো, মণিপুরদা লৈফম থোকপসিনা কনানো হায়বসি থিজিনবা ৱাৎলগা লাকপগী মওং অমা লৈখি। মসিগী খূদোংচাবা লৌদুনা লমদম অসিদা লৈফম থোক্তবা লো থুগায়দুনা চঙশিল্লকপা কাঙবু ময়াম অমা য়াওরকই। মণিপুরগী মফম কয়াদা চঙশিন্দুনা নুংশিনদনবা হূ কামশিনবা, মচোই মচোই তাহন্দুনা মদুগী খূদোংচাবা লৌদুনা লৈফম মুল্লগে অমদি চৎফম থৎলগে হায়বগী মওংদা তমথিবা এজেন্দা অমদা চঙলকপা ময়াম অমা য়াওরকই। মসিনা মরম ওইরগা কাঙলূপ অমগা উন্নবা য়াদবা, তিন্নবা য়াদবা অমদি কাঙলূপ ফুরুপকীমরক্তা থাজনদবা থোকহল্লকই। মসিনা মরম ওইরগা ইং–তপ্পা লৈহল্লক্তবা অসি মতম য়ান্না শাংলক্লে। ইন্দিজিনসনা কনানো, নত্তবনা কনানো মসিদা অমগা অমগা করন্না মরী থন্বা অমদি নুংশিননা লৈমিন্নগনি হায়বনচিংবগী ৱাফম লৈতবদৌনা তৌরি। মসিনা মরম ওইরগা মণিপুর অসি থুগায়রগে অমদি মাঙল্লগে হায়বগী এজেন্দাগা লোয়ননা চঙলকখিবা মীওইশিং কনানো খঙদোকহৌবা মথৌ তাই। লোয়ননা তোঙান তোঙানবা শীনফমদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক্তা শোকহন্দুনা খম থেংনা অৱাবা ফিভম অমা মায়োক্লন্দুনা লাক্লি। মরম অদুনা লমদম অসিবু থুগায়নবা হোৎনরিবা য়েক্লবখক ঐখোয়না মশক খঙনা থেংনবা মথৌ তাই হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ফেদরেসন ওফ হাওমীগী প্রসিদেন্ট সাপমচা জাদুমনি অমদি ফোর্মর কম্মিস্নর এম হরেকৃষ্ণসু মরুওইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# ইং–তপ্পা মণিপুর ওইনবা লৈঙাক্লা

*লমায় ১গী মখা...* তৌখিবগা লোয়ননা ১৯ শুবা আই আর বিগী সি ও হাওবম শঙহামিতানা কম্মান্দ তৌবা কন্টিজেন্ট ২৩গী মাচ–পাসকী সেলুটসু ওকখি। কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা থা অসিগী ১৪দা থোকখিবা থৌদোক অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়বা ৱাফম থল্লদুনা মহাক্লা হায়, লমদম অসিদা ইং তপ্পা লৈহন্নবগীদমক সেন্ত্রেল লৈঙাক্কী থৌওংশিংবু থাগৎলদুনা চীফ মিনিষ্টর খেমচান্দনা মখা তানা হায়, মণিপুরদা লমদমসিদা তংদু লৈতাবা পুরকপদা লমদমসিগী মীয়ামগী অচৌবা থৌদাং লৈ। চাউখৎপা অমদি মপাঙ্গল কনবা মণিপুর অমা ওইহনবদা পুন্নমক্লা থৌদাং লৌসি হায়খি।

ইন্দিয়বু নীংতম্বা লৈবাক অমা ইহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা ইন্দিয়াগী ফ্রিদম ফাইটরশিংবু ইকায় খুন্নবা উৎলদুনা লৈবাক অসিগী চাউখৎ থৌরাং কয়াগী মরমদা ৱাফমশিং থমখি। দিজিটেল ইন্দিয়াগী থৌরাং কয়ানা মীওই কয়াদা থবক পীবা ঙম্বগী থৌদাং য়ারি। ভিক্সিত ভারত ২০৪৭কী মীৎয়েং থল্লদুনা লৈবাক অসি সেল্ফ রিলাইন্ট ওইবা অমদি মালেমগী লৈবাক কয়াগা চাউখৎ খোঙজেলগী হীরম খূদিংদা শরুক য়ানবগী পান্দম থল্লি।

রুরেল অমদি অর্বানগী মফমশিংদা মীয়ামদা কান্নগদবা তোঙান তোঙানবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং পায়খৎপা লেপত্রি। হেল্ঠ কেয়র সার্ভিসকী লমদসু অথাপ্পা চীংনুং মান্নুংশিংদা মোবাইল মেদিকেল য়ুনিটশিং য়ৌহনবগী থৌরাং পায়খৎখ্রে। রুরেলগী মফমশিংদা লৈবা মীয়ামদা থক্লবা ঈশং ফংহন্নবগী পান্দমদা জল জিবন মিসনগী মখাদা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিং পায়খৎলি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, তোঙান তোঙানবা অরুবা লায়নানা নাবা আই দি পি ৩৫দা মখোয়গী অনা লায়েংদা মতেং ওইনবগীদমক লাক্ষ অমমম ফংহনখি। লোয়ননা তোঙান তোঙানবা সোসিয়েল ৱেলফিয়র স্কিম ১৭কী মখাদা বেনিফিসরি লাক্ষ ২.৪দা কান্নবশিং ফংহনখ্রে। মতম চানা অমদি ত্রান্সপরেন্সি লৈনা সোসিয়েল সেক্যুরিটিশিংদা বেনিফিট ফংহনবগী মতাংদা ইন্তিগ্রেটেদ মন্থলি পেন্সন প্রোসেসিং স্কিমসু হৌদোকখি।

মহৈ মশিনগী লমসু লেপ্পা লৈতনা চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎলি। লোয়ননা হন্দক গ্লাসগোদা পাঙথোকখিবা কম্মন ৱেল্ঠ গেমসতা মেদল লৌদুনা লৈবাক্কী মিংচৎ পুরকখিবশিং থাগৎখি।

থৌরম অদুদা কলচরেল প্রোগ্রাম কয়া উৎপগা লোয়ননা থোইদোক হেন্দোক্লা মথৌ তৌবা মণিপুর পুলিসকী পার্সনেল কয়াদা মেদলশিং পীখি।

# নীং–খা তম্বা হায়বসিগা শাগোন্নরিবা থৌদাং অদু নীংশিংবগী তঙাইফদবা লৈ: চীফ জষ্টিশ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (এস এন এস)ঃ নীং–খা তম্বা হায়বসিগা শাগোন্নরিবা থৌদাং অদু ঐখোয় পুন্নমক্লা নীংশিংবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না মণিপুর হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিশ এম সুন্দরনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর হায় কোর্টকী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা ৮০শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরমদা ৱাফম অসি চীফ জষ্টিশনা ফোঙদোকখিবনি।

ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখত্তুনা ইকায় খুন্নবা উৎপগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ জষ্টশ এম সুন্দরনা হায়, ইন্দিপেন্দন্স দে হায়বসি চুন্নখক্কী হরাও কুম্মৈ ওইনা লৌরোইদবনি। নীং–খা তম্বা হায়বসিগা শাগোন্নরিবা ঐখোয় খূদিংমক্কী লৌফম থোকপা থৌদাং অদু অমুক নৌহৌননা নীংশিংবগী তঙাইফদবা লৈ। নীং–খা তম্বা ইন্দিয়া অমগীদমক লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন্না লৌরিবা থৌদাং নৌহৌননা নীংশিংবা চঙই। মতম চানা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা হোৎনবদা কোর্ট অমদি জুদিসিয়েল এদমিনিষ্ট্রেসনগী থবক থৌরমশিং হেন্না খুমাঙ চাউশিলহনবগী তঙাইফদবা লৈ। লিগেল প্রোফেসনদা লৈরিবা নহা ওইরিবা মেম্বরশিংনসু ইথিকেল করেজ অমদি কন্সটিট্যুসনেল কম্মিতমেন্টকা লোয়ননা লিগেলগী মতাংদা থবক থৌরম পায়খৎপা চঙই। লৈবাক অসিগী নীং–তম্বা ফংনবা হোৎনবদা মশীং য়াম্লবা নুপা অমদি নুপীশিংনা কথোকপগা লোয়ননা লৌখিবা থৌদাং অদু মীরোল অসিনা কাউফম থোক্তে হায়বা ৱাফম থল্লদুনা বীর টিকেন্দ্রজিৎ অমদি থাঙ্গাল জেনরেলনচিংবা অথৌবশিংনা কথোকপগা লোয়ননা লৌখিবা থৌদাংশিংবুসু চীফ জষ্টিশনা শীংথাখি।

# নুমিৎ ৩নি চথগদবা এ আর সি এগজিভিসন হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (এস এন এস)ঃ জর্নি ইন্টু মণিপুরস পাষ্ট হায়বা হীরমদা এদভান্স রিছার্স কন্সোর্টিয়ম লাইব্রেরি এন্দ অর্কাইভস (এ র সি এল এ) না শীন্দুনা নুমিৎ হুন্নি চথগদবা ২০২৬ এ আর সি এগজিভিসন লাইব্রেরি অসিগী এগজিভিসন হোলদা ঙসি হৌদোকখ্রে।

হৌদোকখিবা থৌরম অদুদা রিটয়র্দ আই এ এস আরকে নিমাই অমদি তোঙান তোঙানবা মশক নাইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা আর কে নিমাইনা হায়, বৃটিশ লাইব্রেরিদা লৈবা মণিপুরগী পুৱারীগা মরী লৈনবা অরিবা ফোটো পেন্টিংশিং কোপিরাইট তৌদুনা মণিপুরদা পুরক্লগা অসিগুম্বা এগজিভিসন পাঙথোকপা অসি য়ান্না শীংথানিঙাইনি। ফোটোগ্রাফ অমদি পেন্টিংশিং অসিনা মতম অমদা লৈরম্বা মণিপুরগী ফিভম অমদি পেন্টিংশিং অদুদা ৱেষ্টর্ন ইনফ্লুয়েন্স লৈরকপগী মওং অমা উবা ফংই। মণিপুরগী মতমদুগী ফিজেৎ–চাকচা, চহী ১০০ দগীনা ১৫০ মমাঙগী ওইরম্বা মমিশিং খঙবা অমদি উবা ফংই। মমিশিং অসিনসু রিছার্স স্কোলারশিংদা কান্নবা পীপীরগনি হায়খি।

# কোকোমিনা কন্দেম তৌরক্লি...

*লমায় ১গী মখা...* মীচম ৬ তমথিনা হাৎখিবগী জষ্টিস ফংদ্রিবঙৈগী চৈরক অসিদা নৌনা অমুক মীচম ২ হাৎখিবা অমসুং ৩ না শোকহনখিবা থৌদোক অসি লমদম অসিগী য়েলহৌ ফুরুপশিংদা অতন্ননা চথবা য়াম্লা কা হেনবা থৌওং অমনি হায়না কোকোমিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়না, থোকখিবা থৌদোক অসি চৎলিবা থা অসিগী ৮ দা চিফ মিনিষ্টর য়ুন্নাম খেমচান্দনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা চাওখৎ থৌরাং অমসুং ইং তপ্পা হঞ্জিল্লক্লবা চৎখিবা খোঙচৎকী চয়োল ১ ফাদ্রিঙৈদা থোকখিবা থৌদোক্লি। চিফ মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অসিদা লমদম অসিদা ইং তপ্পা হঞ্জিল্লক্লগনি, নেসনেল হায়ৱে হাংদোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফমগা য়াম্লা তাইওন্নবা অমা ওইনা থোক্লকখিবা থৌদোক অমনি।

অমরোমদা চৎলিবা থা অসিগী ১২ অহানবা মণিপুর রাইফল্সকী পেরেদ গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা দিসপ্লে ওন দি ইনিসির্য়েটিভ টুৱার্দ ব্রিঙ্গিং নোর্মেলসি ইন মণিপুর হায়বা ফাগৎলবা খুৎলায়শিং উৎখিবা থৌরম অদুদা সিএমনা লমদম অসিগী চীং অমসুং তমদা লোৎশিল্লগা থল্লিবা খুৎলায়শিং নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা পীখৎলক্কদবনি হায়না ফোঙদোরকখিবসু লৈখি।

ঙসি লমদম অসিনা হৌখিবা চহী ২০২৩ গী মে ৩ দগী থোক্লকখিবা থৌদোকশিং অসিনা লো এন্দ ওর্দর অসি ষ্টেট সবজেক্টনি হায়না কন্সটিট্যুসনদা ময়েকশেংনা লৈরগসু ষ্টেট লৈঙাক্লা লোগী ওইবা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলগা মীচম মীয়াম অমদি লন থুম ঙাক শেনবা ঙমদবা শাংলবা চহী ৩ হেন্না লাক্লিবা অসিনা ময়েক লারবা খুদম অসি দিল্লি লৈঙাক্লা চথবা প্রোক্সি ৱারনি হায়বসিনি হায়রি।

# মৈরা রেল্লি চৎপা, দি সিশিংদা থোমজিনবা য়াওনা ...

*লমায় ১গী মখা...*

নুংথিল খাক্তনা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকপা অসিদা ঙসি ফাওবা মণিপুর লৈঙাক, ইন্দিয়া লৈঙাক নত্রগা সেন্সস দিপার্টমেন্টনা সেন্সস তৌগনি তৌরোই হায়না ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা লৈবা অসি লাইবক থীবনি। মসিনা মরম ওইরগা জে এফ দিনা লাউথোকখিবা সেন্সস বোইকোট তৌবগী খোঙজং হেন্না কনশিল্লগনি। খোঙজংশিংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি নুমিদাংদগী হৌরগা লৈকাই লৈকাই অমসুং লুপশিংনা পুনশিল্লগা মৈরা রেল্লি চৎপীয়ু। মণিপুরগী চীং অমসুং তম অনীমক্তা লৈরিবা য়েলহৌ ফুরুপশিংনা দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টকী দি সিদা থোমজিন্দুনা সেন্সস য়ৈথোক্লবা তকশিনবা অদুগা মশা মশাগী দিয়ুতিনি খল্লগা ইনুমরেটর অমসুং সুপরভাইজর ওইরবশিংগী মক্তসু লৈকাই লৈকাইদা অমসুং খুল খুলদা লৈরিবা মীয়ান্না পায়খৎপা য়াবা মখল খূদিংমক্কী লম্বীশিং শীজিন্নদুনা সেন্সস থিংনবা হোৎনসি হায়খি।

অমরোমদা, হয়েংদগী হৌরগা চথগদৌরিবা সেল্ফ ইনুমরেসনগী মতাংদা পাউচে অসিনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা জিতেন্দ্রনা হায়, হয়েংদগী হৌগদৌরিবা সেল্ফ ইনুমরেসন অসি মশা মশানা তৌজগদবা ওইবনা জে এফ দিনা চঙশিল্লগা থীংলুবা ঙম্লোই। অদুবু মীপুম খূদিংমক্লা ৱাখল তামিন্নরগা সেল্ফ ইনুমরেসন অসি মশানা খঙনা তৌবিগনু হায়খি।

জে এফ দিনা ঙসি লাউথোকখিবগী মতুং ইন্না নুমিদাংগী মতমদা মফম কয়াদা মৈরা রেল্লি চৎখ্রে। ঙসি মৈরা রেল্লি চৎখিবা মফম অদুদি উরিপোক্তগী ইরোইশেম্বা, কৈশাম্পাৎতগী ক্বাকৈথেল ফাওবা, কোনুং মমাঙদগী ইরিলবুং ফাওবা, খুরাই লম্লোংদগী শওম্বুং ফাওবা, লম্লোংদগী পাঙ্গৈ ফাওবা অমসুং লম্লোংদগী তিন্সিদ রোদ অদুগা বিষ্ণুপুরগী মফমশিংদা লৈকায় লৈকায়গী মৈরা পায়বী অমসুং ক্লবকী মীওইশিংনা খূৎতা মৈরা পায়রগা থোক্লরক্তুনা এন আর সি তৌদনা সেন্সস তৌবা য়ারোই হায়বা খোল্লাও কয়া লেপ্তুনা লাউখি।

# মীৎ নারেদকোঃ খোঙ্গ্রায় শৎলিঙৈদা ষণনা ৱাইখিবা...

*লমায় ১গী মখা...*

ষণননা ৱাইখ্ররবা হায়বদি থৌশাদ্রিঙৈদা য়েক্লবনা ঙমখ্রবজাৎলা হায়নরক্লিবসি।

হৌজিক ষ্টেট অসিগী মাঙদা ঐখোয় পুন্নমক্কী মাঙদা তাদুনা লৈরিবসি ৱাথোক লান্থোক ময়ামসি পুন্নমক্লা খঙনরবা ঙাক্তনি। লৈবাক্কী ওইবা ৱাথোক কয়াগী মরক্তা মকোক্তা চেননখৎক্লিবা অসি লৈঙাক পায়রিবা বি জে পি লেজিসলেচরশিংগী মরক্তা মত মান্নদবা অসিনি হায়না লৌনরি। তৌবগীদি ৱাথোক অসিমক্তি অনৌবা নত্তে। তৌইগুম্বসুং থৌশা ৱাশাদবদগী ঙসিদি ঈশিং চাইদুনা লাক্লবগী থাক্তা য়ৌরক্লে হায়না লৌনরি। চহী অমগী মমাঙ প্রসিদেন্ট রুল লৈরিঙৈদা মিনিষ্টর ওইরম্বা খুরাই এ সিগী এম এল এ লৈশাংথেম সুশিন্দ্রো মৈতৈনা রুলিং এম এল এ মরক্তা কোংগ্রেস নুংশিবা য়াওরম্বনা প্রসিদেন্ট রুল লাকখিবনি, প্রসিদেন্ট রুল পান্বা কোংগ্রেস লৈরিঙৈদা পোপুলর গভর্ণমেন্ট লাকখিরোই হায়খিবনি। অদুবু প্রসিদেন্ট রুলদি লোইশিনখিদুনা ৱাই খেমচান্দনা লুচিংবা লৈঙাক অমদি লাকখ্রে। চৎলিবা চহী অসিগী হৌখিবা ফেব্রুৱারি অহুমদা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা মণিপুরগী বি জে পি লেজিসলেচরশিংগী মীফমদা ৱাই খেমচান্দ সিংহবু লুচিংবা ওইনা মত অমত্তা ওইনা খনখিবনি। খেমচান্দবু লুচিংবা ওইনা খল্লে হায়বসিদা হরাওবা ফোঙলদুনা থাগৎ ৱাহৈ পীনরবসু মাইথোঙ মকা লামখিদবদি অদুমক উনখিবনি। মথংগী নুমিৎতা ৱাই খেমচান্দ (বি জে পি)বু চীফ মিনিষ্টর, নেমচা কিপগেন (বি জে পি)বু দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর–ৱান, লোসি দিখো (এন পি এফ) দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর–টু, গোবিন্দাস কোন্থৌজম (বি জে পি) অমসুং খুরাইজম লোকেন (এন পি পি)বু কেবিনেট মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌদুনা লৈঙাক্কী থৌ পুবা হৌখিবনি। ঙসি খেমচান্দগী লৈঙাক অসি থা ৭তি শুরে। অনৌবা মিনিষ্টর হাপচিনবা ঙমদ্রি। মরমদি শোয়দনা লৈরমগনি। মরক অসিদা স্পিকর থোকচোম সত্যব্রত অমদি এল সুসিন্দ্রো মৈতৈ এম এল এনা লৈঙাক মনুংগী ওইবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখ্রে। মীয়ামগী অপান্বদা থবক তৌরক্তবদি বি জে পিদগী ফাওবা তোক্লবা য়াই হায়না ফোঙদোক্লখিবা য়াওরে। অসুন্না লৈঙাক পায়রিবা লেজিসলেচরশিংগী মরক্তসু বি জে পি ওর্গনাইজেসনগী ওইনসু করিগুম্বা অমত্তদা খুৎ থাবদি লাইরদনা চীন কাঙথোক্ত্রি–অসিগীসু মরম লৈরমগনি। বি জে পি অমদি বি জে পিগী লুচিংবা লৈঙাক্কী মায়োক্তা ফোঙনা ৱা ঙাঙখিবা বি জে পিগী কুকি এম এল এদা ফাওবা করিসু তৌবা ঙমখিদ্রবনি। ষ্টেট লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী স্পিকর ত্রিবুনেলদসু পেন্দিংদা লৈরিবনি। হৌজিকসু করিসু তৌবা ঙম্লোই চুপ্পী পায়রিবদু খক্তনা পূন্নমক ঙমগনি–চুপ্পীদি ঐখোয় স্বাইগী লুচিংবশিংগী খূৎতা লৈতে। দেমোক্রেসিগী মীংদা দিক্টেরসিপ লৈঙাক্লি–খোংগদবা হুইনা খোংদ্রগা গধানা খোংলুবগী গধা চৈ চাই হায়নরিবনি। অদুননি খোঙ্গ্রায় শৎলিঙৈদা ষণনা ৱাইখ্রমালে–খঙহৌদবা মীয়ামদি অপংবা তারে হায়নরক্লিবসি।

চহী অমগী মমাঙ কুমজা ২০২৫গী ওগষ্ট ১১দা মতমদুগী রাজ্য সভাগী মেম্বর মহারাজ সনাজাও লৈশেম্বনা দিলিমিটেসনগী থবক পায়খৎত্রিঙৈদা লমদম অসিদা লোগী ৱাংমদা চঙশিল্লকখিবা ম্যান্মার অমদি বংলাদেশ মচাশিং কুমজা ১৯৬১না বেজ ইয়র ওইরগা মশক খঙদোকপগা লোয়ননা মশা মশাগী ময়ুমদা হলহনখিনবা থবক হান্না পায়খৎলু হায়না লৈঙাক্কী পুক্লিং চিংশিনখিবনি। অদুবু ঙসি ফাওবদি তাবি খঙবিবগী মমি তাদ্রি। লুরিবদি চৎলিবা থা ওগষ্ট ১৭ (হয়েং)দগী সেন্সসকী থবক হৌনবা লৈঙাক্লা থৌরাং তৌখ্রে। ষ্টেট অসিগী ওইনদি কেম্পেইন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে এফ দি)গী লুচিং মখাদা নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজেনসিপ (এন আর সি) অপদেট তৌদ্রিবমখৈ সেন্সস তৌবা য়ারোই– নো এন আর সি নো সেন্সস হায়বসিদা পাক শন্না খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি। সেন্সসতা মথৌ তৌগদবা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়িশিংগী ত্রেনিং মফম কয়াদা থুগায়খি–করম থোক্লগবা খঙদ্রি। ষ্টেট গভর্ণরনদি হিরম অসিগী মতাংদা ষ্টেট লৈঙাক্লা সেন্তরদা খঙহনগদবনি হায়না চীফ মিনিষ্টরদা ইন্থোক্লি। হৌজিক অরোইবা তাঙ্গা য়ৌশিল্লক্লবা এস আই আরগী মতাংদসু মমাঙ চহীদা সুপ্রিম কোর্টনা অধার কার্দ খক্তনা লৈবাক অসিগী সিটিজেন ওইরে হায়না প্রমান তৌবা য়ারোই, মখা তানা প্রোপর ভেরিফিকেসন তৌগদবনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ই সি আই)দা খঙহনখিবা লৈখিবনি। ষ্টেট অসিগী ওইনসু দিষ্ট্রিক্ট খরদা এস আই আরগী থবক নীংথিনা অমদি য়ান্না চেকশিন্না তৌখি হায়না লৌনরি। অদুগা দিষ্ট্রিক্ট খরদা মরু ওইনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদদি করম তৌরমগবা খঙবা ঙমদ্রি। হৌজিক হৌজিক চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৫৯–সাইকোট (এস টি) এ সিগী এম এল এ পাওলিনলাল হাওকিপকী মরী মখোঙ থিগৎনরক্লি হংনরক্লি। অসুন্না লোইবা খন্বা নাইরোইদবা ৱাথোক লান্থোক কয়ানা পিক থন্না লৈরবা মণিপুরদা চহী অহুম থা মরী হেন্না থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী হৌরকফম থীদোকমিন্নসি হায়না হৌজিক্তা বি জে পি লুচিংবা অমনা হায়রক্লিবসিনদি পার্টিগী মনুংদা মচেৎ তান্নরে মত মান্নদ্রে হায়বদু তশেংলে। হৌরকফম পূথোকপা ঙমদবনা ৱারোইশিন পুথোকপা শুকঙম ঙম্লোই হায়বসিদি চুম্লবনি। হৌজিক্তি হায়দোক্লবক্লেদনা। অসুন্না বি জে পি লেজিসলেচরশিংগী ৱাথোক লান্থোক্লা ৱারোইশিনদি করন্না পুথোক্কদৌরিবনো– ইন্দো–নাগা সীজ ফায়র তৌনদুনা শান্তিগী ৱারি শান্নরকপগী মনুং চন্না ফ্রেম ৱার্ক এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনখিবা ফাওবা চহী ১১ শুরে। ঙসি ফাওবা হোয় মাই হায়দ্রি। প্রাইম মিনিষ্টরনা মণিপুরগীদি শুকপনবু পনখিদ্রেদনা।

# ‘ওগষ্ট ২২দা মীয়ামগী মীফম পাঙথোক্লগনি’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (এস এন এস)ঃ য়েলহৌঙৈদগী হৌনা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরক্লবা ফুরুপ কাঙলূপশিংগী মরক্তা লৈরিবা নুংশিবগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্দুনা আইদিয়া ওফ মণিপুরগী অপুনবা ৱাখল্লোন শাগৎনবা পান্দমদা ওগষ্ট ২২দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ওদিটোরিয়মদা মীয়ামগী মীফম পাঙথোক্তুনা মরুওইবা ৱাফম কয়া খন্নরগনি হায়না ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন (ফোক্স) মণিপুরগী এক্টিং প্রসিদেন্ট বি এম য়াইমা শাহনা ফোঙদোরক্লি।

ৱার সিমিত্রি মনাক্তা লৈবা ফোক্সকী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মীফম অসিগী ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী চেয়রমেনসু ওইরিবা বি এম য়াইমা শাহনা হায়, রিসেপিং দি পোলিটিকেল অপহেভেল ইন মণিপুর ইসু এন্দ চেল্লেঞ্জেস হায়বসিদা মীয়ামগী ওইবা পিপল্স কনভেন্সন অমা থা অসিগী ২২ দা এময়ুগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্লগনি।

# নেসনেল এৱার্দি রঞ্জনাবু ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (এস এন এস)ঃ ভারত রত্না ডা. অম্বেদকার নেসনেল এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুন্নবা উৎলকখ্রবী লৈতানথেম রঞ্জনাবু কোংপাল চনম লৈকাইদা লৈবা চাউখৎ থৌরাং নুপী লূপনা ঙসি তরান্না ওক্তুনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

লূপ অসিগী সেক্রেটরী গুনিলৈমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লৈতানথেম রঞ্জনানা অসিগুম্বা এৱার্দ অমা ফংলকপা অসি নুংঙাইবা পোকই। নেসনেল এৱার্দ অসি রঞ্জনানা মীয়ামগীদমক্তা তৌখিবা অফবা থবক থৌরমশিং অদুবু মশক খঙবীবা ওইনা লৈঙাক্লা পীরকপনি হায়নসু মখা তারক্লি।

# ৱাই এ সিগী কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (এস এন এস)ঃ য়াইস্কুল এথলেটিক ক্লব (ৱাই এ সি)গী ৮০শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোক্তুনা ‘ইতিহাসকী লৈমায়দা য়াইস্কুল এথলেটিক ক্লব’ হায়না মিংথোনবা ডা. অথোকপম খোলচন্দ্রনা ইবা লাইরিক অমা ফোঙখ্রে।

য়াইস্কুল পুলিসলেনদা লৈবা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন (এম দি য়ু) গী হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱাই এ সিগী প্রসিদেন্ট শোরোকখাইবম শরতচন্দ্রনা থৌরম মপু, রিটয়র্দ কম্মান্দেন্ট আর কে বিজয়না অথোইবা মীথুং, ভেটরান ইন্টরনেসনেল ফুটবোল প্লেয়র গাংমৈ বসন্ত কবুইনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

# মীয়ামদা ফিশাকোন য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (এস এন এস)ঃ ময়াংলাংজিং গ্রাম পঞ্চায়টকী ওইনা জিল্লা পরিষদকী মীখল থেংননবা শেম শারিবা থিংঙুজম বিজেননা মীয়ামদা ফিশাকোন য়েন্থোকখ্রে।

ময়াংলাংজিং পান্থোইবী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা হান্না মমাঙদা ফিশাকোন য়েন্থোকখিবগী মখা তারকপা ওইনা ঙসি অমুক চিরাং, সেঞ্জম খুনৌ, ফুলৌ সিফাই, ফুল্লৌ মমাঙ লৈকাই, হৈবোংপোকপী, লম্বাল, মনাইংখোলনচিংবা তোঙান তোঙানবা মফমশিং অসিগী মীওইশিংদা ফিশাকোন ১৫ য়েন্থোকখ্রে।

# ২২শুবা মপোক কুমওন নুমিৎ থৌরম...

*ঙরাংগী মখা...*মথংদা ২২ শুবা এম এফ এল গী মপোক কুমওনদা মিলিটেরি এফিয়ারস কম্মিটিনা মীয়ামদা পীবা নিংতম পাউজেলগী ৱারোল কমরেদ কেপ্তেন ৱাই সোমোরজিৎ মীতৈনা পাথোকখি হায়রি।

কে সি পি / এম এফ এল গী চিফ ওফ দি আর্মি ষ্টাফ ঐচ ইবোমচানা হায়, ইন্দিয়ানা মণিপুরগী নিংতম ইহৌ অসি মুখৎনবা হোৎনবদা নহা কয়াদা মখল মখা কয়াগী ময়াই কাবা চিঙ্গাক পীজরি, নহা কয়া নোংমা কাংদনা শিরি, অঙাং পোকপগী চাং য়ান্না হন্থরক্লিবা অসি অফবা খুদম নত্তে। ফুরুপ অসি মুৎশিল্লকপগী খুদমনি। মশিদগী কন্নবা মীয়ামদা ৱাখল্লোন পীগদবনি। ইন্দিয়াগী মায়োক্তা লেপখিবা ষ্টেট কয়াদসু চপ মান্নবা থৌওংশিং চথখি। খুদম ওইনা পঞ্জাব, জম্মু এন্দ কাস্মীর অমদি ৱেসিয়া (ৱেষ্টর্ন সাউঠ ইষ্ট ইন্দিয়া) গী লমদমনি। মরম অসিনা ঐখোয়গী মীয়ামদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক পীজদুনা ঐখোয়গী খুনাই মুখৎনবা চংশিল্লক্লিবা লাল্লোংশিং অসি চপ চানা থেংনগদবনি হায়খি।

থৌরম অদুগা মরি লৈননা দিপুটি ফাইনান্স সেক্রেটরি টিঐচ বোবিনা এম এফ এলগী লান্মীশিংনা য়েক্লবগা মায়োক্লবা অকনবা লানফমশিংদা লৌরিবা থৌদাংবু শিংথাখি। ফিবম থিনা শোক্তুনা লৈরবা লান্মীশিংবু লৈবাক্কী হেরোনি হায়না শিংথাখি। অমদি মণিপুরগী নিংতম্বা অসি ইন্দিয়াগী মখুৎতা লৈতে। কংলৈচাশিংগী খুৎতা লৈ, ঐখোয়গী হোৎনবগী মখা পোল্লি। (মথং মথং)

# এসেমব্লী সেসন মাঙওইননা ...

*লমায় ১গী মখা...*থাদোকখিবা এক্স সি এম বিরেন অমসুং মীহুৎ খরা ঙসি নোংমা নীনি অসিদা বি জে পিগী লুচিংবা খরা অমসুং সেন্টর লৈঙাক্কী লুচিংবা খরগা উনদুনা মণিপুরদা ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা ৱারি শান্নগনি হায়রি।

অতোপ্পা পাউ অমদনা থা ৬ ফাজিল্লক্লবা খেমচান্দনা লুচিংবা বি জে পি লৈঙাক অসিগী মিনিষ্টর এক্সপান্দ তৌদনা লৈরিবা অসি তৌনবগীদমক সেন্টরগী লুচিংবা খরা মণিপুরদা লাক্কনি হায়না পান্নরি।

নাকল অমরোমদা, বি জে পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা রাজ্য সভাগী এম পি অধিকারিময়ুম সরদাসু বি জে পিগী প্রসিদেন্ট ফম থাদোক্লগা অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা খন্নবগী ৱাফমসু লৈরি। মসি পূন্নমক সেন্টরদগী লাক্কনি হায়না পান্নরিবা পার্টিগী লুচিংবশিং লাক্লগা থবক ওইনা উবা ফংলগনি হায়না পান্নরি।

# কাদর অনি ফারে...

*লমায় ১গী মখা...* (কোইরেং) গী এক্টিভ কাদর অমসু ফারে। মহাক ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকি মনুংচন্না লৈবা লম্ফেল পি এসনা কোনবা রিমস রোদতগীনি। মহাক ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকি লৌশাংখোং অৱাং লৈকায়দগী ফাবনি হায়রি।

# ইন্দিপেন্দেন্স দেগী মহুৎতা নো হোম...

*লমায় ১গী মখা...* খোঙজংশিং অদু সজিৱা, শওম্বুং অমদি অকাম্পাৎতা লৈরিবা আই দি পিশিংনা চঙশিনখিবনি। খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা আই দি পিশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না চহী অহুম হেল্লবা ফাওবদা রিলিফ কেম্পতা লৈফম চাফম খঙদনা নিংতম্বা পূন্নমক ফংদনা লৈরিবা ফীভম অসিদা ইন্দিপেন্দেন্স দে পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক লৈত্রে। লোয়ননা কুকি টেরোরিষ্টশিংনা মরম ওইরগা মাঙ তাকখ্রবা য়ূম ইংখোল অমুক হন্না ফংবা ঙমখিগদ্রা হায়বগী অৱাবা ৱাখলশিং অসিনা মরম ওইরগা হর ঘর তিরঙ্গা পাঙথোকপগী ৱাহন্থোকসু খঙদ্রে। ঙসি অমুবা মচুগী ফিরাল চিংখৎতুনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি পাল্লিবা লৈঙাক অসিদা আই দি পিশিংবু অথুবা মতমদা মশা–মশাগী ময়ূমদা চঙশিন্দুনা লৈবা য়ানবা শিনবিয়ু হায়না পুক্নিং চিংশিন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# কে জি ৫.৮ লোমগী দল্লিয়ু ৱাই...

*লমায় ১গী মখা...*পুলিসকি চেরোল অমগী মতুংইন্না কেজি ৫.৮ লোমগী ওইগদবা দল্লিয়ু ৱাই টেবলেটশিং অদু থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকি মনুংচন্না লৈবা ককচিং বাজারগী সোরা মমাং লৈকায়দা লৈবা এম দি সলিমুদ্দিন (৩২) অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকি পাউবিটেক মনিং লৈকায়দগী বি এম হাফিজ অনিস (২৭) মখোয় অনিদগী ফংখিবনি। সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মখোয় অনিনা থৌরকপা ফোর হ্বিলর আই ২০ এম এন ০১ এ এস–৬৫৭২ ফাজিন্দুনা থমখ্রে হায়রি।

# আর পি এফনা ...

*লমায় ১গী মখা...* মীওই অসি আর পি এফ অমদি মসিগী লান্মী শীংলুপ পি এল এগা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়না রিভোল্যুসন পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ)কী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি পব্লিসিটি বঙ্কিমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# সি জে পি: লৈঙাক্কী মথক্তা ৱাহং হংলিবা অমদি শক্তি পায়িরিবশিংগী মথক্তা শীংনরিবশিংবু এক্সট্রিমিসনি হায়না লৌবা চুপ্লোই





ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সি): ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্ট নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিদা নেক্সালিজম মায়পাক্না মুখৎপা ঙমখ্রবসু ঙসি ফাওবা মখা তানা নেক্সলাইটকী ৱাখল্লোন চেনবা মীওই কয়া লৈ হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা কোক্রোস জনতা পার্টিগী মায়কৈদগী লৈঙাক্কী মথক্তা ৱাহং হংলিবা অমদি শক্তি পায়রিবশিংবু শীংনরিবা ইনখৎলক্লিবা লৈবাক অসিগী নহারোলশিংবু এক্সট্রিমিসনি হায়না লৌবা অরানবা ওইগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

কোক্রোস জনতা পার্টিগী চীফ স্পোক্সপার্সন শৌরবদাসনা মহাক্কী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্দদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইন্দিপেন্দেন্স ডেগী থৌরমগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা লাইরিক লাইশু হৈরবা ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংবু নেক্সলাইটনি হায়না ব্রান্দিং তৌনবা হোৎনরিবা করিগীনো। ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংনা অশোয়বা পোলিসিগী মায়োক্তা লৈঙাক্কী মথক্তা ৱাহং হংবগীদমক নহারোলশিংবু নেক্সলাইটনি হায়না ব্রান্দিং তৌনবা হোৎনরিব্রা।

নরেন্দ্র মোদিগী অসিগুম্বা থৌওং অসিনা লৈবাক অসিদা থোক্লিবা তোঙান তোঙানবা মরুওইবা ইসুশিংবু লোইশিন্নবা হোৎনবদা অমুক্কা হেন্না থিন্থনবগী মরম ওইগনি লৈবাক অসিদা থোংনরিবা অরানবশিং অসিবু নরেন্দ্র মোদিনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চংদুনা মথৌতাবা থবক থৌরমশিং লৌখৎকদবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা ইন্দিপেন্দেন্স ডে থৌরমগা মরী লৈননা শৌরব দাসনা পীরকপা তোঙানবা ৱারোল অমদা হৌখিবা চহী ১২ রোম অসিদা লৈবাক অসিদা কিহন খঙহনবনা লৈবাক সাসন তৌদুনা লাকখিবা অদু লৈবাক মীয়াম্না থেংনদুনা নৌনা নিং তম্বা ফংবগী ৱাখল্লোনদা ইন্দিপেন্দেন্স ডেগী থৌরম পাঙথোক্লরক্লি।

ৱা মচেৎ অমত্তা ঙাংদনা লৈবদা পুক্লিং থৌগৎতুনা লাকখিবা নহারোলশিং ঙসিদি মতমগী মতুং ইন্না খোঞ্জেল থোক্না অকিবা য়াওদনা অনিংবা অপাম্বা ফোঙদোকপগী মীৎকুপ অমা ফংবা ঙম্লে।

মতম কয়াগী মমাঙদগী ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংদা লৈবাক অসিদা অহোংবা পুরকপা হায়বসি ওইথোক্তবা অমনি হায়বগী ৱাখল্লোনদা খুদম চন্দুনা লাকখিবা অদু ঙসিদি নহারোলশিংনা লৈবাক অসিদা মরম চাবা মথৌ তাবা অহোংবা কয়া পুরকপা ঙম্লে হায়নসু ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি এন টি এনা পাঙথোকখিবা নীট পেপর এগজামদা কোইসন পেপর লিক ওইবগী ৱাথোক থোক্লকখ্রবা মতুং সি জে পিনা শিন্দুনা ইজুকেসন মিনিষ্টর রিজাইন তৌগদবনি হায়না ন্যু দিল্লিগী জন্তর মন্তরদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা চংশিনখিবা মায়পাকপা খোঙজং অদুদা য়ূমফম ওইরগা সি জে পিগী চীফ স্পোক্সপার্সন শৌরব দাসনা ইন্দিপেন্দেন্স ডে থৌরমগা লৈবাক মীয়ামদা মরুওইনা নহারোলশিংদা পাউজেল পীরকখিবনি হায়না লৈবাক অসিগী ন্যুজ এজেন্সি অমনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

# ৱেষ্ট বেঙ্গলগী হান্নগী দিপুটি স্পিকর টি এম সিগী ওফিসতা থৌরি য়ান্দুনা শিরম্লে



কোলকটা, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সি): টার্ম ৫রক এম এল এ ওইরম্বতা নৎতনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী দিপুটি স্পিকরগী ফম ফাওবা পুরম্লবা তৃনামুল কোংগ্রেসকী মকোকথোংবা লুচিংবা অমসু ওইরিবা অসিস বেনর্জি রামপুরহৎ, বিরভুমদা লৈবা তৃনামুল কোংগ্রেসকী ওফিসতা থৌরি য়ান্দুনা থৱাই য়াওদ্রবা অশিবা হকচাং ওইনা লৈরম্বা থেংনখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা কোলকটা পুলিসকী মতুং ইন্না টি এম সিগী ভেটরান লিদর অসিস বেনর্জি রামহৎতা লৈবা টি এম সিগী ওফিসতা ঙসি অয়ুক থৌরি য়ান্দুনা লৈরম্বা মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা থেংনরকখিবনি।

টি এম সিগী ওফিস অসি মহাক্কী ময়ুমগী নাকন্দা লিংবা পার্টি ওফিস অমনি। অসিস বেনর্জিগী থৱাই য়াওদ্রবা অশিবা হকচাং মথৌ তাবা পোষ্ট মোর্টেমগীদমক পুলিসনা লৌখৎখ্রে। থৌদোক থোকফমদগী সুইসাইদ নোট ওইগনি হায়বা চেরোল অমসু পুলিসনা রিকোভর তৌবা ঙম্লে। মীশি অসিগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা করি মরমদগী থোকখিবনো হায়বা অদুগী মতাংদা চপ চাবা ৱাফম অমদা খঙবা লৈত্রি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি লৈখিদ্রবা টি এম সিগী লিদর অসিস বেনর্জি মতম কয়াগী মমঙদগী টি এম সিগী চীফ মমতা বেনর্জিগা নক্না লোয়নদুনা লাকখিবা পার্টিগী লিদর অমনি।

আসিস বেনর্জি ৱেষ্ট বেঙ্গলদা পাঙথোকখিবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা রামপুরহৎ এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়েন্সিদা টার্ম ৫রক মায়পাক্তুনা পার্ট অসিদগী মরুওইবা থৌগাই পুদুনা লাকখিবগী মথক্তা ষ্টেট অসিগী লৈরিবা এসেমব্লিদা দিপুটি স্পিকরগী ফম পুদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গল এসেমব্লি অমদি মীয়ামগী মরুওইবা থৌগাই কয়া পুদুনা লাকখ্রবা মীওই অমনি।

নাকল অমরোমদা হন্দক ৱেষ্ট বেঙ্গলদা পাঙথোকখিবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা চহী ২৫ মায়থিবা মশক খঙদনা লাকখ্রবা মতুং বিরভুম এসেমব্লি কনষ্টিট্যুন্সিদা বি জে পিগী মখুৎতা থাজবগী ৱাংমদা মায়থিবা নংখ্রবা মতুং থা ৩ লোমগী মতুংদা টি এম সিগী লিদর অসিস বেনর্জি থৌরি য়ান্দুনা থৱাই য়াওদ্রবা অশিবা হকচাং ওইনা লৈরম্বা থেংনরকখিবনি।

# ছতিসগড় হায় কোর্টতা জজকী অৱাৎপা লৈরে, কেস ৭৩,০০০ হেন্না পন্দুনা লৈরি


রাইপুর, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সি): চৎলিবা চহী অসিগী হৌখিবা থা ৭তা চাদা ১০৬ কেসমায় পাক্না লোইশিনবা ঙম্বগী রিপোর্ট লৈরিবা ছতিসগড় হায় কোর্টতা হৌজিকসু জজকী মশিং শুদনা লৈরি। অদুগা কোর্ট অসিদা পূন্না কেস ৭৩,০০০ হেন্না পন্দুনা লৈরি হায়না রিপোর্ট তৌরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না ছতিসগড় হায় কোর্টতা পূন্না জজ ২২ এপোইন্ট তৌনবগী সেঙ্কসন তৌখিবা লৈখ্রবসু কোর্ট অসিগী চীফ জষ্টিস রমেশ সিংহ থারগা হৌজিক-হৌজিক সুন্নতগী জজ ১৩না জুদিসিয়ারিগী থবক তৌদুনা লৈরি।

চৎলিবা থা অসিদা জষ্টিস সঞ্জয় এস অগরৱাল অমদি জষ্টিস রাধাকিসন অগরৱাল রিটয়ারমেন লৌখ্রবা মতুং অমুক্কা হেন্না হায় কোর্ট অসিদা জজগী মশিং ৱাৎলগনি হায়রি।

জষ্টিস রামেশ সিংহনা ছতিসগড় হায়য় কোর্টতা চীফ জষ্টিসকী থৌ পুখ্রবা মতুং কোর্ট অসিদা পন্দুনা লৈরিবা কেস কয়া অথুবা মতমদা লোইশিন্নবগীদমক থবক তৌদুনা লাক্লি। জনুৱারি থাদগী ঙসি ফাওবদা পন্দুনা লৈরম্বা কেস কয়া কোর্ট অসিনা লোইশিনখিবগী চাং চাদা ১০৬.২১ মায় পাক্না লোইশিন্দুনা রেকোর্দ থম্বা ঙম্বা কোর্ট অমসু ওইরি। অদুবু চৎলিবা চহী অসিগী জনুৱারি থা ফাওবদা ছতিসগড় হায়য় কোর্টতা পূন্না কেস ৭৫,৬৬৭ পন্দুনা লৈরি। অদুগা জনুৱারি থাদগী হৌজিক ফাওবদা কোর্ট অসিদা নৌনা কেস ৩০,৮৩১ রেজিষ্টার তৌখ্রে। নাকল অমরোমদা জষ্টিস ক্রুসনা রাম মোহাপত্রা অথুবা মতমদা ছতিসগড় হায়য় কোর্টতা জোইন্ট তৌরগনি। মহাক্না জোইন্ট তৌরবসু ছতিসগড় হায়য় কোর্টতা জষ্টিস ১০গী সিট হাংদুনা লৈগদৌরি।

## Crossword # 1118



Across
1. Those who fib
6. Had on
10. Eden dweller
14. Simpleton
15. Amazed
16. Father
17. Mister (Sp.)
18. Devoted
20. Torn
22. Ranting speech
23. Watch
24. Outerwear
25. Defunct USAF branch
28. Fright
31. Unruly groups
35. Pack tightly
37. Malicious looks
38. Discharge
39. Actress ____ Hayworth
40. Cooking vessel
41. Space gp.
42. Client
43. Termite, e.g.
45. Norse thunder god
46. Ice mass
47. Compositions
49. Army insect
50. "The Diary of ____ Frank"
52. Naval off.
54. Pronouncement
57. Resounding
62. Crocodile's kin
64. Juliet's love
65. Ink stain
66. Asian language
67. Orchard members
68. Epic
69. Present!
70. Transmits

Down
1. Roster
2. Original thought
3. Isn't, slangily
4. Sources
5. Lane
6. Walk through water
7. Had bills
8. Maroon
9. Magazine VIPs
10. Renter's rooms
11. Computer info
12. Impersonated
13. Fabricated
19. Undercover gp.
21. Rod and ____
24. Eye surface
25. Clean thoroughly
26. Get up
27. Provide food
29. Rest
30. Brings up
32. Nebraska metropolis
33. Buffalo
34. Begin
36. Tequila drink
43. Under
44. Whiskeys
48. Nasal sounds
51. Not pos.
53. Night sound
54. Specks
55. ____ Fitzgerald
56. Drain problem
57. Lion's cry
58. Buffalo's canal
59. Prayer's end
60. Want
61. Hurl
63. "Raiders of ____ Lost Ark"

পাউখুম লমায় ৭দা ...

# 'ইন্দিপেন্দেন্স ডেগী থৌরমদা ৱন্দে মাতরমবু ইকায়বা পীবগীদমক কোংগ্রেস পার্টিনা লাল্লে হায়জগদবনি'



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সি): ইন্দিপেন্দেন্স ডেগী থৌরমদা কোংগ্রেস পার্টিনা লৈবাক অসিগী নেসনেল সোং বন্দে মাতরমদা ইকায়খুম্নবা উৎখিদবা অদুগীদমক লৈবাক মীয়াম অমদি ৱন্দে মতরমগী অইবা বঙ্কিমচন্দ্র চত্তোপধ্যায়গী মফমদা কোংগ্রেস পার্টিনা লাল্লে হায়জগদবনি হায়না হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা ফোঙদোকখ্রে।

চিতোগরদা পাঙথোকপা পব্লিক মিটিং অমদা ৱা ঙাংলদুনা হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা হায়, কোংগ্রেস পার্টিগী হেদক্কার্টরদা পাঙথোকখিবা ইন্দিপেন্দেন্স ডেগী থৌরমদা ৱন্দে মাতরম শক-শোল্লিবা অদুবু কোংগ্রেস পার্টিগী লিদর সোনিয়া গান্ধীনা খাঙতপ্তা লোইশিন্নবা তকশিনখি হায়না কোংগ্রেস পার্টিবু মরাল শীখি।

হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা মখা তারদুনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা ন্যু দিল্লিগী রেদ ফোর্ট অমদি তোঙান তোঙানবা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা পাঙথোকখিবা ৮০শুবা ইন্দিপেন্দেন্স ডেগী থৌরমদা বন্দে মাতরম শক শোনখি।

লৈবাক অসিবু নিংতম্বা ফংনবা হোৎনবদা বন্দে মাতরমবু রিভোলুসনরি স্লোগান অমা ওইনা শিজিন্নখি হায়না ফোঙদোকপা ওইনা হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা বন্দে মাতরম শক-শোনবগীদমক মশিং য়াম্লবা মীওই কয়া নোংমৈ মরুনা পান্দুনা অমদি মীওৎ-মীনৈ চথখিবগী চৈথেং কয়া ফংবগী মথক্তা মশিং য়াম্লবা মীওই কয়া জেলদা নমশিনখিবগী পুৱারি লৈরিবনি।

কোংগ্রেস পার্টিগী হেদক্কার্টরদা পাঙথোকখিবা ৮০শুবা ইন্দিপেন্দেন্স ডেগী থৌরমদা লৈবাক মীয়াম পূন্নমক্না টেলিভিজনগী খূৎথাংদা বন্দে মাতরম শক শোলিঙৈ ময়াইথিগাংদা সোনিয়া গান্ধীনা কোংগ্রেস পার্টিগী প্রসিদেন্টদা বন্দে মাতরম শক শোনবা লেপ্পবগী মমি উবা ফংনখ্রবনি। মরম অদুনা সোনিয়া গান্ধীনা লৈবাক মীয়াম অমদি বঙ্কিম চন্দ্র চতোপধ্যায়গী মফমদা মহাক্না লংজখিবা মরাল অদুগীদমক খুৎ লোন্দুনা লাল্লে হায়জগদবনি হায়না হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# 'লৈঙাক্না দ্রামা শান্নবগী মহুৎ লোক সভাগী লৈরিবা সিট অসিদা চাদা ৩৩ ৱুমেন রিজার্বেসন থম্নবা হোৎনগদবনি'



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সি): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ওপোজিসন পার্টিশিংদা দিলিমিটেসনগা মরী লৈনবা ৱুমেন রিজার্বেসন বিল সপ্পোর্ট তৌনবা আপিল তৌরকখিবা ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা জেয়রাম রমেশনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না হিরম অসিগী মতাংদা মীয়ামদা দ্রামা শান্নদুনা লৈবগী মহুৎ লাক্কদৌরিবা ২০২৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভাগী জেনরেল ইলেক্সন অসিদা হৌজিক লৈরিবা লোক সভাগী অপূনবা সিট অসিদা চাদা ৩৩ নুপীশিংগীদমক ইন্দিয়া লৈঙাক্না রিজার্বেসন থম্নবা হোৎনগদবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক অসিগী ন্যুজ এজেন্সি অমনা লৌবা অখন্নবা ইন্টরভিয়্যু অমদা কোংগ্রেস পার্টিগী সেক্রেটরি জয়রাম রমেশনা হায়, ইন্দিপেন্দেন্স ডেগী থৌরমদা ৱুমেন রিজার্বেসন বিল সপ্পোর্ট তৌনবা অপিল তৌখিবা পি এম মোদিনা হৌখিবা ১৯৯৩দা মতমদুগী লৈঙাক্না ৭৩ অমদি ৭৪ কনষ্টিট্যুসনেল এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌদুনা পঞ্চায়ট, জিলাপরিসত, ব্লোক পঞ্চায়ট অমদি ম্যুনিসিপালিটিশিংদা চাদা ৩ থোকপগী ১ নুপী ওইবীশিংগীদমক রিজার্বেসন থমখিবা অদু কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা প্রাইম মিনিষ্টর রাজিব গান্ধীগী লুচিং মখাদা চথখিবনি হায়বা অসি নিংশিংবা চুমগনি।

হৌখিবা চহী ২০২৩গী সেপ্টেম্বর থাদা পার্লিয়ামেন্টতা ওপোজিসন পার্টিনা শৌগৎতুনা নারি শক্তি বন্ধন অধিনিয়ম ২০২৩ য়েৎনবা য়াওদনা পাস তৌখ্রবনি। মতমদুদা কোংগ্রেস পার্টিগী প্রসিদেন্ট মালিক আর্জুন খরগেনা লোক সভাদা ৱুমেন রিজার্বেসন বিল য়ান্না মরুওইবা বিল অমনি হায়না ফোঙদোকপগী মথক্তা হায়রিবা বিল অসি খুদক্তগী হৌদুনা ষ্টেট এসেমব্লিশিংদসু ইমপ্লিমেন্ট তৌদুনা চৎনবা হৌগদবনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি হায়না জয়রাম রমেশনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চথুরক্লিবা থৌওং অসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা নুপী ওইবীশিংগীদমক রিজার্বেসন থম্নবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না লৌখৎলকপা বিল অমা নৎতে হয়নসু জয়রাম রমেশনা ইন্দিয়া লৈঙাকপু মরাল শীরক্লি।

# হিমাচল প্রদেশ অমদি পঞ্জাবতা থবক ফংদবগী চাং ৱাংনা লৈরি: পি এন এফ এস

চান্দিগড়, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সি): হিমাচল প্রদেশ অমদি পঞ্জাবকী থবক ফংদবগী চাং অসি লৈবাক অসিগী ওইনা থবক ফংদবগী লৈরিবা এভরেজ রেট অসিদগী হেন্না চাং ৱাংলি হায়না পেরোদিক লেবর ফোর্স সর্ভে (পি এল এফ এস)কী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

চৎলিবা শেনবা চহী অসিগী এপ্রিল থাদগী হৌরগা জুন ফাওবগী ওইনা নেসনেল ষ্টেটিষ্টিকেল ওফিস (এন এস ও)গী মায়কৈদগী রিলিজ তৌরকখিবা পি এল এফ এসকী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না কেরলা, ছতিসগড় অমদি জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী মতুংদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওবা ষ্টেট অমা ওইরিবা হিমাচল প্রদেশতা চহী অসিগী এপ্রিল অমদি জুলাই থা ফাওবদা থবক ফংদবগী চাং চাদা ২৪.১ ওইরি। থবক ফংদবগী চাং অসি হৌখিবা ক্বার্টরদা চাদা ২৬.৭ ওইখি।

রিপোর্ট অসিনা মখা তানা হায়, পঞ্জাবগী ওইনা থবক ফংদবগী চাং অসি চৎলিবা চহী অসিগী জনুৱারি থাদগী মার্চ থা ফাওবদা চাদা ২০.২ ওইরম্বা অদু এপ্রিল থাদগী জুলাই ফাওবদা থবক ফংদবগী চাং চাদা ২২.৩ দা হেনগৎলকখ্রে।

হিমাচল প্রদেশ অমদি পঞ্জাবকী ওইনা লৈবাক অসিগী থবক ফংদবগী লৈরিবা এভরেজ রেট অসিদগী কাহেন্না হেনবগী ফিগর উবা ফংলি। নেসনেলগী থাক্তা থবক ফংদবগী লৈরিবা চাং অদুদগী অরুনাচল প্রদেশনা থবক ফংদবগী চাং ৮.২ অমদি পঞ্জাবনা থবক ফংদবগী চাং চাদা ৬.৪ হেন্দুনা লৈরি।

মশাগী চহী ১৫দগী ২০ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা থবক ফংদবা মীওইশিংদা য়ূমফম ওইদুনা পি এল এফ এসকী সর্ভে রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না হিমাচল প্রদেশ অমদি পঞ্জাপকী লৈরিবা থবক ফংদবগী চাং অসিদা নুপী ওইবী কয়াসু য়াওরি।

পনবা য়াবদি আম আদমি পার্টিনা লুচিংবা পঞ্জাব অমদি কোংগ্রেসনা লুচিংবা হিমাচল প্রদেশকী লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থবক ফংদবা নহারোলশিংবু পাক্তক্লনা থবক পীগনি হায়না পাঙথোকখিবা ইলেক্সনদা মীয়ামদা থাজবা পীদুনা ভোট খোমখিবনি।

**সনা-সুদোকু-১০৫১গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 8 | 2 | 6 | 7 | 5 | 3 | 4 | 9 |
| 3 | 6 | 5 | 2 | 9 | 4 | 8 | 1 | 7 |
| 7 | 9 | 4 | 8 | 3 | 1 | 5 | 6 | 2 |
| 8 | 3 | 6 | 5 | 4 | 2 | 7 | 9 | 1 |
| 4 | 1 | 9 | 7 | 6 | 8 | 2 | 3 | 5 |
| 5 | 2 | 7 | 3 | 1 | 9 | 4 | 8 | 6 |
| 9 | 7 | 3 | 4 | 5 | 6 | 1 | 2 | 8 |
| 2 | 4 | 1 | 9 | 8 | 7 | 6 | 5 | 3 |
| 6 | 5 | 8 | 1 | 2 | 3 | 9 | 7 | 4 |

# হেমন্তা বিশ্বা শর্ম হাৎকনি হায়না ফোঙদোক্লুবা মীওই পুলিসনা ফারে





গুৱাহাতি, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সি): ইন্দিপেন্দেন্স ডে থৌরমগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর হেমন্তা বিশ্ব শর্মনা ৱা ঙাংবগী ভিদিও ফুটেজ সোসিয়েল মেদিয়াদা লাইব ব্রোদকাষ্ট চথরিঙৈ চীফ মিনিষ্টর হেমন্তা বিশ্ব শর্মবু হাৎকনি হায়না কম্মেট পীরকখিবা মীওই অমা অসাম পুলিসনা ফাগৎখ্রে।

অসাম পুলিসনা ফারবা মীওই অদুদি মোরিগাও দিষ্ট্রিক্তা লৈবা ফিতুবগী থবক তৌবা অবদুল মুতালেব কৌবা মীওই অমনি। মহাক্না লোয়ননা মহাক্না লোয়ননা মীওই ৩সু পুলিসনা ফাগৎতুনা ৱাহং পাউহং চথখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি গুৱাহাতিগী খনাপরাদা পাঙথোকখিবা ইন্দিপেন্দেন্স ডেগী থৌরমদা হেমন্তা বিশ্ব শর্মনা ৱা ঙাংবগী ভিদিও লাইব ব্রোদকাষ্ট তৌদুনা সোসিয়েল মেদিয়াদা শন্দোক্লিঙৈ চৈরক্তা অবদুল মুতালেতনা মহাক্কী মফমদা কনাগুম্বা মীওই অমনা লুপা ক্রোর অমা পীরবদি চীফ মিনিষ্টর হেমন্তা বিশ্ব শর্মবু হাৎপা ঙমগনি হায়না কম্মেট তৌদুনা কিহল্লকখিবনি হায়রি।

# কেক চারুবদগী মীওই ১১ লৈয়কন্নখ্রে

নলাসোপারা, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সি): বার্দ ডেগী থৌরমদা খ্বাইদগী মরুওইবা মচাক অমনি হায়না লৌনরক্লিবা বার্দ দে কেক চারুবদগী মীওই ১১ হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে।

বার্দ ডে কেক চারুবদগী মীওই ১১ লায়কন্নখিবগী থৌদোক অসি মহারাষ্ট্রগী নলাসোপারাদা থোকখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না নলাসোপারাদা লৈবা মফম অমদা পাঙথোকপা বার্দ ডেগী থৌরমদা কেক চারবা মতুং খঙহৌদনা পীক্লিবা অঙাং ৭ অমদি নুপী ৪ থিনব-লেংবা হৌরকপদগী খুদক্তা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা অনা লায়েং চথখ্রে। থৌদোক থোকফমদগী ফংবা পাউজী মতুং ইন্না লায়কন্নখ্রবা মীওইশিং অদুনা চাখিবা কেক অদুদা অশিবা চুম য়াওরম্বা থেংনখি। ফুদ পোইজনিংদগী থৌদোক অদু থোকপা ওইগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।




# লুপা ক্রোর ৭০,০০০ রোমগী সবমিরিন দিল ইন্দিয়া অমদি জর্মনিগী মরক্তা নৌনা খুৎয়েক পীনরবা য়ানা লৈরে




ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সি): মতম কয়াগী মমাঙদগী লৈবাক অসিনা ঙাইদুনা লৈরক্লবা প্রোজেক্ট ৭৫ (আই) সবমেরিনগী প্রোগ্রাম লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মঙফাওনরবা য়ানা লৈরে। ইন্দিয়ান নেভিগী চাওরাক্না লুপা ক্রোর ৭০,০০০ রোমগী ওইগদবা এদভান্স কনভেন্সনেল সবমেরিন ৬ নৌনা শানবা ইন্দিয়া অমদি জর্মনগী মরক্তা মায় পাক্না খুৎয়েক পীনরবা য়ানা লৈরে হায়না লৈবাক অসিগী ন্যুজ এজেন্সি অমনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না মুম্বাইদা লৈবা মাজাগোন দোগ সিপবিল্ডরস লিমিটেদ (এম দি এল)না জর্মনিগী থাইসেনক্রুক মারিন সিষ্টেম (টি এম কে এস)কা পার্টনরসিপ ওইনা থবক তৌদুনা এদভান্স কনভেন্সনেল সবমেরিনিশিং শেম শাবগী থবক পায়খৎনবা হৌখিবা চহী ১ রোমগী মমাঙদগী ঙসি ফাওবা নাকল অনিগী মরক্তা ৱারী শান্নদুনা লাক্লি।

টি কে এম এসকী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগা পার্টনরসিপ ওইনা অন্দরৱাটর ৱারফিয়ার স্পেসতা মতম শাংনা থবক তৌনবগী মাঙজৌননা থবক তৌবা হৌখ্রে। টি কে এম এসনা হায়দরবাদতা বেজ তৌবা ভি ই এম টেক্নোলোজিজকা মাঙজৌননা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) সাইন তৌনদুনা ইন্টিগ্রেট অমসুং মোদর্নাইজ হেবিৱেট টোর্পেদোজ দিভলপ তৌনবগী থবক পায়খৎখিবসু লৈখ্রে।

টি কে এম এসকী মায়কৈদগী দি আর দি ও য়াওনা এন্টি-সবমেরিন ৱারফিয়ারগী সেষ্টেমগী থবক পায়খৎনবা মতম কয়াগী মমাঙদগী থবক তৌদুনা লাক্লি।

ইন্দিয়াগী ওইনা শুম্নতগী জর্মনিদগী সবমেরিন ৬ লৈবা খক্তনা অরেপ্পা পান্দম ওইদ্রি। লৈবাক অসিগী সেক্যুরিটি ঙাক শেন্দুনা থম্নবগীদমক অন্দরৱাটর ৱারফিয়ার স্পেসতা মথৌতাবা ইক্যুপমেন্টশিং লৈবাক অসিদা মেনুফেকচর তৌবা অমদি মেন্টিনেন্স অমসুং অপগ্রেট তৌবগী পান্দম থল্লি।

# ১৩৫শুবা দুরান্দ কপ: এফ সি রেঙদাই এস সি দিল্লিগী খূৎতা মায়থিবা নংদুনা কেম্পেইন লোয়শিনখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (এস এন এস)ঃ ১৩৫শুবা দুরান্দ কপ ২০২৬কী ঙসি ঝরখন্দগী রাঞ্চিদা লৈবা বিরসা মুন্দা ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা মণিপুরগী ফুটবোল টিম এফ সি রেঙদাই এস সি দিল্লিগী মখুৎতা ১-৫দা মায়থিবা নঙদুনা ইদিসন অসিগী মপান থোক্তুনা মখোয়গী কেম্পেইন লোয়শিনখ্রে।

এফ সি রেঙদাইনা শান্নবা হেক হৌরকপদগী হৌনা হেন্না লাকশিন্না শান্নরকখিবনা পোজিসন লৌবা, বোল হেন্না পায়দুনা শান্নদুনা এস সি দিল্লিগী মায়োক্তা প্রেসর পীদুনা শান্নখি। মসিগী মহৈ ওইনা মেটচকী এফ সি রেঙদাইগী শান্নরোই চোংথাম কিষননা য়ার্দ ২০ রোম লাপ্পা মফমদগী নীংথিজরবা সোট অমা কাওশিন্দুনা এস দি দিল্লিগী গোলকিপরবু মায়থিবা পীরম্লগা গোল ওন্থোক্তুনা ১-০দা মাঙজিল থাহনবা ঙমখি।

এস সি দিল্লিগীসু মেটচকী ৭শুবা মিনিটতা কাউন্টর এটেক তৌদুনা কেপ্তেন লামগৌলেন সেমখোলুননা য়েৎথংবা মায়কৈরোমদগী নীংথিজরবা ক্রোর অমা পীরকপদা টিম অসিগী পেনান হৈশিংনা হেদিং তৌশিনখিবা বোল অদু ক্রোস বারগী মথক লান্না চৎখিবদগী গোল ওন্থোকপা ঙমহৌখিদে।

এফ সি রেঙদাইনা গোল অমা চনখ্রবা মতুং এস সি দিল্লিগী মায়কৈদগী হনবা লৈতনা গোল ইক্বেলাইজ তৌনবা হোৎনরকখিবশিং অদুবু রেঙদাইগী দিফেন্স রোজেন মীতৈ, লনচুংবৈ পানমৈ অমদি অমিৎকুমারশিংনা নীংথিনা দিফেন্স তৌদুনা লৈখিবদগী অহানবা লোয়বা ফাওবা কিষনগী গোলনা ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎহনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা এস দিল্লিনা হান্নদগী মপাঙ্গল ফুদোক্তুনা শান্নবা হৌরকখি। অদুবু গোল হন্দোকপা ঙম্লুদ্রবা মতুং সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা এস সি দিল্লিগী জোসেপ সন্নিনা ৫৭শুবা মিনিটতা ওইথংবা মায়কৈরোমদগী কাওশিল্লকখিবা শাফু কল্লবা বোল রেঙদাইগী গোলকিপরবু মায়থিবা পীরম্লগা ইক্বেলাইজিং গোল ওন্থোক্তুনা ১-১দা লৈহনখ্রবা মতুং মেটচকী ৬৭শুবা মিনিটতা মহাক্কী অনীশুবা গোল ওইনা চন্দুনা ২-১দা মাঙজিল থাহনখি।

মেটচকী লেমহৌরিবা মিনিটশিংদসু এস দিল্লিনা হেন্না লাকশিন্না শান্নরকখিবগী মহৈ ওইনা মেটচকী রোদ্রিগুনহোনা ৮২শুবা মিনিট, জোন সেবেষ্টিয়ন পেনানা মেটচকী ৯০ প্লস ৩শুবা অমসুং ওগোষ্টাইন লারোসনানা ৯০ প্লস ৮শুবা মিনিটতা চন্দুনা এফ সি রেঙদাইবু গোল ৫-১দা মায়থিবা পীরম্লগা দিল্লি সেমি ফাইনেল তম্না পুশিনবা ঙমখি।

# দিনেস চবুংবমনা ইন্টর স্কুল চেছ টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (এস এন এস)ঃ কংলৈ চেছ একাদমিনা শীন্দুনা নাওরেমথোংদা লৈবা প্রিজম হায়র সেকেন্দরী স্কুলদা চথরকপা অনীশুবা কংলৈ চেছ একাদমি ইন্টর স্কুল চেছ টুর্নামেন্ট ২০২৬গী টাইটল পিতম্বরা ইংলিস স্কুলগী দিনেস চবুংবমনা লৌখ্রে।



হেরিতেজ কনভেন্টগী মঙাল এলাংবমনা অনীশুবা অমসুং লেম্বা শৌগাইজমনা অহুমশুবা তাখি। য়ূন্নাকো স্কুলগী ষ্টেনলি মীথোইবা লৌরেম্বমনা মরিশুবা, সেন্ত জোসেপ হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী জোনেক্স নান্দেবমনা মঙাশুবা, ৱাঙ্খে হায় স্কুলগী নেলসন সোরোখাইবমনা তরুকশুবা, সেন্ত জোসেপ হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী ব্রাইন খুমুকচমনা তরেৎশুবা, স্কুল অসিগী য়াইফবা য়ুম্নামনা নিপালশুবা, সিশু নিস্থা নিকেতনগী দয়ান্দ যৌদামনা মাপলশুবা অমসুং সেন্ত জোসেপ হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী পূন্সিবা মাইস্নামনা তরাশুবা পোজিসন তাখি।

ক্লাস ১ অমদি মসিগী মখাগী বোইজকী টাইটলনা কিন্দজি শিংজমৈগী কুরিয়স কেনোপস থিয়ামনা লৌখিবগা লোয়নন্না কেন্দ্রিয়া ভিদ্যলয়া নম্বর ১ লম্ফোলপাৎকী সিন্থোইঙম্বা খুম্নথেমনা অনীশুবা অমসুং রামকৃষ্ণ মিসন স্কুলগী ৱাংথোই নিংথেমচানা অহুমশুবা তাখি।

ক্লাস ১ অমদি মসিগী মখাগী নুপীমচাগী টাইতলনা কেন্দ্রিয়া ভিদ্যলয়া নম্বর ১ লম্ফেলপাৎকী লিংজেল্লেমা থোকচোমনা টাইট্ল লৌখিবগা লোয়ননা য়ুনাক্কো স্কুলগী লিন্থোই বেলিসিয়া লৌরেম্বমনা অনীশুবা তাখি।

ক্লাস ২দগী ক্লাস ৪ ফাওবগী বোইজতা লিক্লমগী টাইসন লাইশ্রমনা অহানবা, কেন্দ্রিয়া ভিদ্যালয়া ইম্ফাল নম্বর-১গী লোইতোংবম মায়োলনা অনীশুবা, য়ুনাক্কো স্কুলগী থৌনাওজম ফাভৈনেনা অহুমশুবা তাখি।

ক্লাস ২দগী ক্লাস ৪ নুপীমচাগীদা ৱাঙ্খে হায় স্কুলগী উহেনবী নিংথেমচানা অহানবা, দি ইম্ফাল ইংলিস স্কুলগী থোইথোই য়েনশেম্বমনা অনীশুবা অমসুং পিতমবরা ইংলিস স্কুলগী রাজ কুমারী লিন্থোইনা অহুমশুবা তাখি।

ক্লাস ৫দগী ৱাস ৭ ফাওবগী নুপামচাগীদা কেন্দ্রিয়া ভিদ্যলয়া ইম্ফাল নম্বর ২গী শিন্থোইবা নিং থেমচানা অহানবা, সেন্থ জোসেপ হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী রাজকুমার পাইখোম্বনা অনীশুবা, ব্রিল্লিয়ন স্কুলগী রেরিদ নামোইজমনা অহুমশুবা তাখি। নুপীমচাগী ক্লাস ৫দগী ক্লাস ৭ ফাওবগীদা য়ূনাক্কো স্কুল খোংমনগী রাজকুমারী সঙ্গামিত্রানা অহানবা, নিরমলাবাস হায় স্কুলগী নোংথোম্বম জোজোনা অনীশুবা অমসুং পিতিগ্র্যু জুনিয়র হায় স্কুলগী রাজকুমারী বেবীনা অহুমশুবা তাখি।

নুপামচাগী বেষ্ট কংলৈ চেছ একাদমিনা হিরেতেজ কনভেন্তকী প্রিচার্দ এলাংবমনা অমদি নুপীমচাগী না লিট্টল ফ্লৱার স্কুলগী শানয়া লাইশ্রমনা তাখি।

ইন্টর স্কুল চেছ টুর্নামেন্টগী টাইতল লৌখ্রবা দিনেসতা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৫গা লোয়ননা ট্রোফি, অনীশুবা তাখ্রবা মঙাল এলাংবমদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৩গা লোয়ননা ট্রোফি, অহুমশুবা তাখ্রবা লেম্বা শৌগাইজমদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ২গা লোয়ননা ট্রোফি, মরিশুবা তাখ্রবা ষ্টেনলি লৌরেম্বমদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ১৫০০গা লোয়ননা মেদল, মঙাশুবা তাখ্রিবা জোনেক্সতা শেলগী মনা লুপা লিশিং ১গা লোয়ননা মেদল পীখি।

তরুকশুবদগী তরাশুবা তাখ্রবশিংদনা শেলগী মনা লুপা ৫০০ /৫০০গা লোয়ননা মেদল অমদি ক্লাস ১দগী ক্লাস ৭ ফাওবগী মকোক মথং তাখ্রবশিংদা ট্রোফি পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি লোয়শিনবগী থৌরমদা এন্দ্রো এ সিগী ইন্টেন্দিং কেন্দদেট লৌরেম্বম সঞ্জয়না চীফ গেষ্ট, কংলৈ চেছ একাদমিগী প্রসিদেন্ট সনশম উমানন্দনা প্রসিদেন্ট অমদি ফার্ম মেম্বর ওফ রিসার্ছ কাউন্সিল কাওগী সনবম জোগেন্দ্র কুমা অমসুং প্রিজম হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী ফাউন্দর চিয়রমেন তোইজম কিষননা গেষ্ট ওফ ওন্নরশিং ওইদুনা মকোক মথং তাখ্রবা শান্নরোইশিংদা মনা মথুম পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

# গোপালদেব কাংখুৎ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (এস এন এস)ঃ য়াইস্কুলদা লৈবা শ্রী শ্রী রামগোপাল দেব মান্দপতা চথরকখিবা লৈমারোল কাং লীগ টুর্নামেন্ট ২০২৬তা গোপালদেব কাংখুৎ মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবদা গোপালদেব কাংখুৎনা এ কে য়ুবু পাঞ্জল ৪-২দা মায়থিবা পীদুনা মায় পাকখিবনি। মেটচ অসিদা গোপালদেব অমসুং এ কে য়ু অহানবা হাল্ফ পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্লদ্রবা মতুং অনীশুবা হাল্ফতা গোপালদেবনা পঞ্জল ৪ অমসুং এ কে য়ুনা পাঞ্জল ২ খক স্কোর তৌবদগী গোপালদেবগী মখুৎতা পাঞ্জল ৪-২দা মায়থিবা নঙখি। টুর্নামেন্টগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ১৮দা য়াইস্কুল কাংখুৎ অমসুং শিংজমৈ কাংখুৎনা শান্নরগনি।

# মণিপুরনা পূন্না মেদল ১৫ লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (এস এন এস)ঃ পুনেগী শ্রী সিব চহাত্রপতি স্পোর্টস কম্পলেক্সতা থা অসিগী ১৪দগী চথরকখিবা আই টি এফ নেসনেল এন্দ এজ গ্রুপ ত্রাইথলোন চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬দা মণিপুরনা গোল্ড ৮, সিলভর ৩ অমসুং ব্রোঞ্জ ৪ য়াওনা পূন্না মেদল ১৫ লৌখ্রে।

মণিপুর গোল্ড মেদলশিং অদু অন্দর-১৪ গালসকী অকোইজম লাঙলেন, সব-জুনিয়র বোইজদা এন ধনঞ্জয় মৈতৈ, জুনিয়র বোইজ অমসুং জুনিয়র বোইজ (য়ু-১৬-২০)দা টিঐচ গৌতমনা গোল অনী, ৱুমেন অন্দর-২৩দা নোংমাইথেম নেলশি, চহী ৩০দগী ৩৪ ফাওবগীদা লাইখুরাম বিতন, চহী ৩৫দগী ৩৯ ফাওবগীদা সাইখোম বিশ্বজিৎ, চহী ৪০দগী ৪৪ ফাওবগীদা ঙাঙোম দেৱানজিৎনা লৌখি।

সিলভর মেদলশিং অদুনা অন্দর-১৪ গালসতা এল সাইয়োনবী, অন্দর-১৪ বোইজতা এমদি দানিশ অমসুং অন্দর-২৩ মেনগীদা তেলৈহেবা সোরামনা লৌখি। ব্রোঞ্জ মেদলশিং অদুনা জুনিয়র বোইজতা লৈশাংথেম রেবিসন, জুনিয়র গালর্সতা নোংমাইথেম নেলশি, সেনিয়র মেনগীদা শরুংবম অথৌবা মৈতৈ, অমসুং নুপামচাগী কিব্দস ত্রাই অন্দর-১৪দা জি এ কেনিসন শর্ম্মনা লৌখি।

নাকল অমরোমদা আই টি এফ নেসনেল পেরা ত্রাইথলোনদা ইন্দিয়ন এয়রফোর্সতা ৱিং কমান্দর ওইনা থবক তৌরিবা আরকে হেরোজিৎ সিংহনা সিলভর মেদল লৌদুনা মণিপুরগী মীং চৎ পুরকপা ঙমখ্রে। হেরোজিৎ সিংহ ৱার্ল্ড পেরা স্বীম্মিং চেম্পিয়ন্সিপ অমদি এসিয়ন পেরা গেমসতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারকখ্রবা শান্নরোই অমনি।

# কোরৌঙানবদা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (এস এন এস)ঃ নেপালগী কনমন্দু ত্রিপুরেশ্বরগী দশরথা ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ৭তগী ৮ ফাওবা পাঙথোকখিবা ২শুবা সাউথ এসিয়ন ওপন ইন্টরনেসনেল করাতে চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫তা কুমাইটকী কেজি ৫৫গী চহী ১২দগী ১৩ ফাওবগী কেটাগোরিদা গোল্ড মেদল লৌরকপা ঙমখ্রবা কোরৌঙানবা খাইদেমদা হাওরৈবি অপূনবা লুপ (হল) অমদি ইবুধৌ পাখংব থৌগল লূপনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

কোরৌঙানবা খাইদেম হরাওরৈবি ময়াই লৈকাইদগী রোমিও অমসুং খাইদেম দিভিয়া অনীগী মচানুপানি। মহাক্না তুংদা লাক্কদৌরিবা টুর্নামেন্টশিংদসু মায় পাক্তুনা ইরমদমগী মিংচৎ পুরকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়না ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজরি হায়না হাওরৈবি অপূনবা লুপগী কনভেনর সিঐচ রুহিকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিয়েসননা শান্নরোই ৪২গী মিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (এস এন এস)ঃ বাস্কেটবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা বাস্কেটবোল এসোসিয়েসন ওফ অন্ধ্র প্রদেশনা শীন্দুনা সেপ্তেম্বর ২৭তগী ওক্টোবর ৪ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ৫১শুবা সব-জুনিয়র নেসনেল বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপ (জোইজ এন্দ গালস) ২০২৬দা শরুক য়ানবা ষ্টেটকী সব-জুনিয়র (বোইজ এন্দ গালর্স) বাস্কেটবোল টিম শেম্নবগী প্রিপরেসনগীদমক মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিয়েসননা নুপা অমসুং নুপীগী শান্নরোই ৪২গী মিং লাউথোকখ্রে।

মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিয়েসনা লাউথোকখ্রবা নুপা শান্নরোইশিং অদুদি ৱাই ও এস সিদগী নোংথোম্বম চিত্রভাশ, চিতন চোংথাম, ঙাংখম দাইলন, তোইজম হিটলর অমসুং ফিরেপ্পা ময়াংলম্বমনি। য়ুঠ ক্লবতগী শরয়ান পোৎশঙবম, বিলগেট থিয়াম, অচোম ফোইনেক্স, নিশন পোৎশঙবম অমসুং নোংথোম্বম ধনারাজ, ই এস য়ুদগী পনঙাকপা চিঙাখম, মঙালসনা আরকে, জিভিট থোকচোম, ব্রোন্সন শিজাগুরুময়ুম, এল এম ৱাই ভি এদগী পোৎাঙবম য়োহেনবা, লোক্তোংবম তেলহৈবা, শরাংথেম ইরা অমসুং মালেম থিঙনম, মোদেল ক্লবতগী ওইনাম কেন্নি, তোমথিন থোঙাম অমসুহ কৈলুং ইঙুদম, সি ৱাই এল সিদগী ৱাহেংবম ভাগিরট, থোমাস অচোম অমসুং মালেমঙানবা চাকপ্রমনি।

নুপী শান্নরোইশিং অদুদি ৱাই ও এস সিদগী থাসনা থাংজম, লনচেনবী তাখেল্লম্বম, থোঙাম চাউবা, ঙাংবম চিমচিম অমসুং বনি শিজাগুরুময়ুমনি, সি ৱাই এল সিদগী মোনালি ফুরাইৎলাতপম, লিংজেলথোইবী লাইফ্রাকপম, হেন্থোই অবুজম, লমজিং বি চিঙাখম, লৌশিংথোই লৈফ্রাকপম, নেতাদগী চিঙাংবম অবেমবেম, চিঙ্গুলেম্বী ঙাংবম, চনুখোম্বী ঙাংবম, খাগেম্বম কাজল, চিংঙাংবম কোরৌঙানবী, এল এম ৱাই ভি এদগী হোশিকা মায়েংবম, বেলিয়া মুতুম, শ্রীয়া পেবম, নোংথোম্বম মেরিন্দা অমসুং মিনন্দা মুতুমনি।

খল্লবা নুপা অমসুং নুপী শান্নরোইশিংনা থা অসিগী ১৭ কী অয়ূক পুং ৬ তাবদা ব্রাহ্মপুর নহাবম বাস্কেটবোল কোর্টতা লাক্তুনা ত্রেনিং অমসুং কোচিংগীদমক হেদ কোচ টি নিলামণি, কোচ জেক্সন, বোরিশ অচোম, এল বেনিশ অমদি মেনেজর ৱাই কেস্পরদা রিপোর্ট তৌরনবা মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী সিঐচ তেজকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

গৃহ মংত্রালয় ভারত সরকার

ঐখোয়গী সেন্সস ঐখোয়গী চাওখৎপা
(সেন্সস ২০২৭কী অহানবা ফেজ)

নহাক্কী ষ্টেট /য়ুনিয়ন টেরিটোরিদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা হাওসলিষ্টিং অমসুং হাওসিং সেন্সস হৌগদৌরে। মসিগী মাঙদা, নুমিৎ ১৫নিগী অখন্নবা খুদোংচাবা অমা পীগদৌরি মসিদা নহাককী ইনর্ফোমেসন অদু নশানা ওন লাইনদা মেনশিনবা য়াগনি

ঐহাক মাঙলোমদা চঙশিনবনি
ঐহাক চাওখৎপনি





সেল্ফ-ইনুমরেসন
অচম্বা অমসুং শোয়দনা দিজিটেলগী খুদোংচাবা

করম্না সেল্ফ-ইনুমরেসন তৌগনি ?

- ওফিসিয়েল পোর্টেল য়েংউ (se.census.gov.in)
- নহাক্কী মোবাইল শীজিন্নদুনা ও টি পিগী খুৎথাংদা লোগইন তৌ
- নহাক্কী ষ্টেট, দিষ্ট্রিক্ট অমসুং লৈকাইগী মরোলশিং সেলেক্ট তৌ
- দিজিটেল মেপ্তা নহাক্কী য়ুমগী লৈফম মার্ক তৌ
- য়ুম অমসুং ইমুংগী মরী লৈনবা ইনর্ফোমেসন মেনশিল্লু
- সবমিসন তৌরবা মতুংদা নহাক্না এস ই আই দি ফংগনি
- এস ই আই দি অদু চেকশিন্না থম্মু
- এস ই আই দি অদু ইনুমরেটরনা লাকপা মতমদা শিন্নৌ
- ইনুমরেটর অদুনা ইনর্ফোমেসন অদু কনর্ফাম তৌথোকহনগনি

মসিগী কান্নবশিং
মতম চঙহন্দে
চপ চাবা ইনর্ফোমেসন পী
দাটা প্রোসেসিং থুই

নীংশিংউ : সেল্ফ ইনুমরেসন অসি অখন্নবা খুদোংচাবা অমনি
করিগুম্বা নহাক্না সেল্ফ ইনুমরেসন তৌবা ঙমদ্রবসু, ৱারুনু ইনুমরেটর অমা অপীবা মতমগী মনুংদা ইনর্ফোমেসন রেকোর্দ তৌবা নহাক্কী য়ূমদা শোয়দনা লাক্কনি
নহাক্কী ইনর্ফোমেসন পূম্নমক অরোনবা ওইনা অমসুং চেকশিন্না শোয়দনা থমগনি

মণিপুর
সেল্ফ-ইনুমরেসন
ওগষ্ট ১৭তগী ৩১ ফাওবা
হাওসলিষ্টিং
সেপ্টেম্বর ১দগী ৩০ ফাওবা

ঐখোয়না ঐখোয়গী দায়ত্ব মপুং ফানা লৌরশি অমসুং সেন্সসতা শরুক য়ারসি

টোল ফ্রি-১৮৫৫
CensusIndia2027

CBC 19108/13/0167/2627

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com